






মৈতৈ-জগোই

মঙাশুবা শরুক

(বসন্তরাস, কুঞ্জরাস, নিত্যরাস)

সম্পাদক—








মৈতৈ-জগোই

মঙাশুবা শরূক

(গোবিন্দগী বসন্তরাস, কুঞ্জরাস অমসুং নিত্যরাস)

সম্পাদক

শ্রীসুরচান্দ শর্ম্মা

(অহানবা থুংনম— ১৯৭১ ইং কোপী ৫০০)

মৈতৈ লোনগী শরূকমখৈগী সত্ত ঙাক্লবা

মমল লুপা ৩·৭৫

কখোকচবা

ভক্ত পূক্নীং খোইমুনা ভক্তা পাম্না দিতাবা
রাসেশ্বরীনা থোংগনবা শ্রীগোবিন্দগী চরণদা—

ফোঙজবা
শ্রীমতি বিনোদিনী দেবী
ব্রহ্মপুর

অনম্বা
দি মণিপুর ষ্টেশনরী এণ্ড প্রিন্টিং ইন্দষ্ট্রিজ
নাগ মাপান, ইম্ফাল

থাগৎ রাহৈ খররং

ইং ১৯৫৬-৫৭ তা শ্রীগোবিন্দগী রাসক্রমনচিংবা ময়াম অমা খোমজিঞ্জখি। অদুবু মতু ফোঙদোক্নবা উপায়দি লৈজদবনা তুমতুনা অস্সুম লৈবা তাখি। মণিপুর সরকারগী থুংশিনবীহৈবা পৃকচেন্না আর্থিক সহায় পীবিরমন্দ্রবদি অকক্নবা মতম খঙদনা অতম্মক অবেম্বদা তোক্লন্নগাদবনি। মরম অতুনা মণিপুর সরকারগী লম্মন্দি ঐগুম্বনা শিংবা মপোক অসিদা ওইথোক্লোই।

খোমজিঞ্জবা অসিদা মরু ওইনা নৃত্যাচার্য্য শিরোমনি গুরু শ্রীঅমুদোন শর্ম্মা (একাডেমিগী মনা ফংলীবা [illegible]) অরিবা গোবিন্দজী থৌগল কোর্বেক পুথোকপিতুনা, খঙদবা কয়াগী [illegible] পীবিদুনা মপাং ফাহনবীখি।

ঈশৈ শৈশক শৈহেক্নচিংবা তাহনবীদুনা সম্পাদকপু [illegible] ইবদা হেন্না পাঙ্গল পীবিখিবা অতগা অকুপ্প [illegible] পিতুনা হেন্না মশাক থোক্নবা তোংনবদা অরাবা [illegible] অস্তুন শুনা হনবা লৈতনা মৈতৈ লৈপাক্তা [illegible] শ্রীমতী ক্ষেত্রি তোম্বী দেবীবু পাওজদ্রবা ঐনা থাগ [illegible] অতুম ওইননক লম্মন্দ শিংব ভনদনা [illegible]

ঈশৈ খূদীংগী তাল মাত্রা তাক [illegible] খিবা নৃত্যাচার্য্য শ্রীবিপিন সিংহ ([illegible]) তৌবীনল উচ্চরি।

নিত্যরাস-লীলাবু মৈতৈ [illegible] প্রেরণা পীবিখিবা শ্রীনিংথৌজম তোম্বী সিংহ [illegible] সম্পাদকপু মওঙ অস্সুম্না মথৌ শঙাবতুনা ইজা [illegible] হায়জবগা লোইননা তৌবীনল উচ্চার।

অরোইবদা, তেনগ্রবা মত্তমদা অথুবা ওর্ডার লৌবিচ্চনা ফজবা পোথোক ওইনবা হোৎনবদা কৃপা য়েংশিনবীখিবা দি ষ্টেশনরী এণ্ড প্রিন্টিং ইন্দষ্ট্রিগী মেনেজর শ্রীপাউনম বাহাদুর সিংহবুস্থ তৌবিমল উচ্চে।

হুজীক ইজাতিদা নিজরিবদি— খণ্ড-খণ্ডদনা অহৈ শাহুনা উৎ-চনীংবা ময়াইনা হেন্দুনা পুথোকচরিবা রাসক্রম অসিদা য়াওরমগদবা লৈরবা অশোয় অণাম পূম্নমক ঙাকপিবগা লোয়ননা চুমথোকচবা য়ানবা ইপাঙ্গল পীনবীনবা হন্না হন্না চণ্জৈ। ইতি—

ইম্ফাল

তা ১০।৬।৭১

নোনজরিবা

শ্রীসুরচান্দ শর্ম্মা

মৈতৈ জগোই

শ্রীগোবিন্দগী বসন্তরাস ক্রম

রাসোৎসর্গগী নিয়ম মতুংইন্না পূজক ব্রাহ্মণনা শ্রী৺গোবিন্দদা রাস কৎপা লোইরগা নিপাপালানা গৌরচন্দ্রিকা শক্তুনা পূর্ব্বরঙ্গী হৌনবী পাঙথোক্কনি। মতম অসিদা শ্রীরাধা গোবিন্দ অনিমকস্তু মন্দিরদগী লেঙথোক্তুনা রাসমণ্ডলী শেমলিবা অদুগী ময়ায়দা চক্রপীঠদা লেঙশিনগনি।

অমুমনা নিপাপালা থোগন লোইপ্রবদা রাসকী হৌনবী তারক্লগনি।

১। পুংনা রাগ য়ৈরগা সূত্রনা তোড়ীবসন্তরাগ হৌদুনা মদুগী বাহন-নচিংবা শক্লগা মথং মথং বৃন্দাবন বর্ণন, গোপী অভিসার, প্রার্থনা অমসুং রূপ-প্রার্থনা শক্কনি। চৎনবী মতুংইন্না গোপীশু অভিসারদগীদি ঈশৈ শকপা য়াওগনি।

২। মথংদা গোপীনা শিশির রাগদা আলাপ তৌগনি।

৩। রাগ অসিমক্তদা 'নৃত্যতিহরি'নচিংবা ঈশৈ তাদুনা জগোইনা মোত্ত তৌগনি।

৪। তানচপ—"কচ্ছপিকাভিত্তত্র মৃদঙ্গে' অসিনচিংবা (তাল অসি থুল্লকীদি মেলগী মথাদা থমনৈ)।

ঐনা ইজবা মৈতৈজগোই অনিগুবদসু ভাবক ফক্ষম অমসুং রাসশিংগী ক্রম উৎচখ্রে। মল্লম অদুনা ভাবক ফক্ষমগী মতাংদি মসিদা মৌনা নৈনজস্রে।

৫। মেল (তুইতাল)— 'আওতরে ঋতুরাজ বসন্ত' মসিদা চালি অকৈবী শাগনি।

৬। মথংদা অমুক তালচপ চালি তাগনি — 'রাস রাসেশ্বরী রাজতে রাধা'নচিংবা। (মসি শকপা লোইহুনা অমুক হল্লকপদা চালি অরৈবী শাগনি, মতু 'মন্মথ অঙ্গ' ফাওবনি। অতুগা 'শ্যামল কোমল' দগীনা 'রাধা-মাধব' লোইবা ফাওবদনা চালিতমক শাগনি)।

৭। মথংদা ভঙ্গী অচৌবা শাগনি— 'মৃদঙ্গ মুরুঙ্গ বাজে তাতা থৈয়া থৈয়া বাজে।' মথংদা কৃষ্ণনর্ত্তনগী ঈশৈ 'নৃত্যতি হরিরিহ মোহন রাসে' নচিংবা ঈশৈ শকনি। অতুবু মসিদি থাদোক্লগে, রূপ অমা শকতে মতুদি— 'শ্যামরূপগো' নচিংবা।

৮। মথংদা রাধা রূপ বর্ণন শকনি— 'চন্দ্রবদনী মৃগনয়নী' নচিংবা।

৯। ফাগুখেল—'দেখত রঙ্গ দুহুক সঙ্গ' নচিংবা।

১০। চন্দ্রাবলী নর্ত্তন—'দেখ চন্দ্রাবলী সঙ্গে বনমালী'

১১। মান 'শতকোটি গোপীসঙ্গে' নচিংবা।

১২। কৃষ্ণনা রাধাথিরা— 'তাহা বিনু রাস লীলা'

১৩। সম্ভোগ লোইরগা বেশ সাজন তাগনি—'রতি রণ অবসানে...

১৪। মথংদা প্রার্থনা শকনি— 'জয় জয় শ্রীকৃষ্ণচন্দ্র দয়াময়'

১৫। খুরুম্বা ভঙ্গী পরেং—'রাস রঙ্গ থল পরম সুশীতল'

১৬। পুষ্পাঞ্জলি— 'এই পুষ্পাঞ্জলি' নচিংবা

১৭। কুঞ্জ আরতি কৎলগা লোইশিনগনি।

শ্রীগোবিন্দগী বসন্তরাস

হৌনবী মতুংইন্না মথং মথং তৌহ্না নটপালানা ঈশৈ থৌগন তৌবা লোইরগা শ্রীগোবিন্দবু কুঞ্জারতি কত্তুনা ভাবোক পুন্নমকস্ত থুরুমগনি, সন্ধ্যজল চাইগনি। মথংদা অগোইগী ওজা (পুং-য়ৈবা) সূত্রধারী, বাঁশী খোংবা, মোইবুং খোংববু কৈ-চন্দন তৌগনি, পানা অমসুং ফি কৎতুনা বরিগনি। পুং অমসুং সূত্রনচিংবা কাওবুনা মাগী মাগী মফমদা অতম্মক লৈত্থনা হায়বদি পুং য়ানশিন্দুনা, মন্দীলানা মাঙদা থমত্তুনা অতম্মক গোবিন্দ রাসেশ্বরী অনিবু ভক্তি কৎলগা পুংগী রাগ মচা য়ৈগনি। মথংদা সূত্রনা ঈশৈগী রাগ শক্কনি। পুংনা রাগ হেক হৌবগা মোইবুংসু খোংগনি।

পুংগীরাগ— +

১ত্রগ্র তেনতা থেন থিন

১ত্রগ্র তেনত্তা তেন তা অসিনচিংবা

তোড়ী বসন্ত

তা রি তন তনা ॥

তত রিত নতনা রিরিরিরি

তা রিত ন তনা রিরিরিরি

তা রিরিরিরিরি ॥

তা রিত নত না রিরিরিরি

তত রিত না তন তনা রিরিরিরি

তা রিত নতনা রিরিরিরি

তা রিরিরিরিরি ॥

বাহন— নীলোৎপল কর্ণযুগাবতংসং

শ্যামেন্দ্রনীলদ্যুতি স্নিগ্ধদেহঃ

পীতাম্বরধর রমণী সুকান্ত

সোহয়ং বসন্ততোড়ীকাশ্চপুরুষ।

মসি লোইরগা ঘর হৈজিনগনি।

বসন্ততোড়ী

[অশংবা মণিগুম্বা কুচু নীংথিবা
থরো অশংবনা নাপ লৈতেংনবা ॥
সনা ফীগে শেৎপা লৈতেং নীংথিজবা
মথোন কাবীশিংগী মিতানফম ওইবা ॥
চীরুা ঈংবা শকনি বসন্ত তোড়ীনি ॥]

স্বর্গীয় বোধচন্দ্র মহারাজগী মতমদা ঈশৈ শকপশিংনা ওম্নদভুনা মসিগী মছত্তা খুল্লক্তা শরুথা, 'ললিত রাগ'না শিন্দুনা শকখরে। মতুগী মশক্তি—

ললিত রাগ

তা রি রি রি রি তা রি রি রি
তা রি রি রি রি রি ন ত না।
তা রিরি তনা রিরিরি
তা রিরিরিরিরি নতনা
তা রিরি তনা রিরিরি
তা রিরিরিরিরি নতনা।
তা রি নতনা তা রিরি নতনা
তা রিরি তনা রিরিরি
তা রিরি রিরিরি নতনা।
তা রিরিরিরি তা রিরিরি
তা রিরিরিরিরি নতনা ॥

মসিগী বাহনদি—

উষসি কেশস্ত সংযমমাস্থনো
বিদধতী শয়নোথিতবত্যসৌ ॥
বিলুলিতালক বল্লিবৃতাননা
সুললিতা ললিতা কথিতা বুধৈঃ ॥

[তনৌ তহেনগী অঙ্কুর ময়োক্‌নকপদা
শ্যমঙ্গোইনা মায়থোং কুপলিবী
হিপনফমদগী হৌসংপদা মশম মনা শেমজিন্নবী
নীংথিজবী অহুবু পণ্ডিতশিংনা 'ললিতা' কৌনৈ] ।
অসুম্না রাগ শরুপা লোইরগা বৃন্দাবন বর্ণন তাগনি । মহুদি—

বনশোভা অতিশয় বসন্ত সময়ে
বৃক্ষলতাগণ শোভা নবপত্রাঙ্কুরচয়ে ।
যমুনা পুলিনে শ্যাম সুখে চলি যাই
বন শোভা হেরি হেরি আনন্দ বাড়াই ॥

[নীংথিজরে বৃন্দাবনদে তনৌ হেনৌয়ে ।
অনৌবা য়েন্নীংতনা উরী রারী লৈতেংনবে ॥
মনাপুংবা ঈশালক্তা নিন্নি কোকিল খোঙ্গেন্না
য়েংনা য়েংনা শ্রীগোবিন্দ লেংলি কপ্পাংনা
হয়াউ মথোই কারি পুর্ণিমা থাবিন উবদা] *

গোপী অভিসার

মথংদা গোপী অভিসার শরুনি ।

ছুইতাল ৭—মাত্রা

বিলম্বিতনা হৌরগা মধ্যলয়দা তাগনি সূত্রতগী ঈশৈনি । অহুবু মখোল হুংশিবী গোপীশিংগীসু তানীংবদগী অওক অথোং শরুহনগনি ।

সূত্র—
বরজ কামিনী নবীন বালা
চলিল রঙ্গিয়া চন্দ্রকি মালা ॥
কুণ্ডল ললিত লম্বিত হারা
চারু বলিত বেণী মনোহরা ॥
বিকসিত কুসুম বনমাঝে
আপ্না বন্ধু গুণ গায়েগায়ে ॥

---

* মচাং অসিদা মুরলীনাদ তৌগনি ।

কমকি কমকি মন্থর চায়
গহন কানন গমন তায় ।।
কুঞ্জর সদনে পোঁছিয়া রঙ্গে
পাইনু শ্রীরাধা গোবিন্দ সঙ্গে।
সখির অনুগা মলিন মানস
নরপতি ভাগ্যচন্দ্র এই আস ।।

[ব্রজগী নীংথিবী নৌজরিবীশিং
চৎলিয়ে হরাউনা থাগী পরেংগুম্না ।।
নাপগী লৈতেংনে লীকথাঙ্(গী) মঙানবে
বেণীনা শাংনা লুতুংদা হাইবনে।
হৈনমনা চুরবা লৈনমনা হারবা
নীংথিবা বনগী লম-বীদা ।।
চিন্দনা কৃষ্ণ-গুণ রাগনা থম্মোই থন
মিৎয়েংনা কুঞ্জতম পুক্নীংনা ঈথৌলাং ।।
থাবননা ফিঙৌ কৌ ফিজেৎনা ইরং লং
উথা উরুমতনা মুশি মুশি লাং ।।
থম্মোইনা লমজিংলি মাঙদ চেনশিন্নরি
মুরুলী মখোলনা তোয়না তোয়না কৌরি ।।
য়োরকলে কুঞ্জচুং ফংজরে মুংঙাইকম
ফংজরে শ্রীরাধা গোবিন্দ অনিবু ।।
সখিগী তুংইন্না পুক্নীং থোইমু ওইনা
থুরুমকৈ মনাই (না) ভাগ্যচন্দ্রনা] ।।

অসুম্না গোপী অভিসার তৌরক্তুনা শ্রী৺গোবিন্দগী নাক য়োরক্লগা হান্না লাকখিবা মওঙদা অহুমক গোপী পুন্নমক কমথরগা থুং লোম্নচনা মথাগী প্রার্থনা অসি শকনি। গোপীগী লৈকম অসি শ্রীগোবিন্দনা নোংপোক ওম্না লৈরগা গোপীনা মৈরমদা অরাং ওম্না লৈগনি। আরম্বা গোপী অতৈনা নোংচুপ লোমদা অসুম লেংথখিগনি।

প্রার্থনা

গোপীতনা শকনি মহুদি—

জয় জয় নন্দ নন্দন গোপীজন বল্লভ (রাজকুমার)
ব্রজনায়ক নাগর শ্যাম ॥
জয় জয় নবঘনকান্তি কলেবর
জয় চিত্তমোহন ধাম ॥

জয় ওইরি নহাক্না হে চানবী হৈবা
গোপী থরায় ওইবা হে চাম্ন খোইবা ।
ফুইনা হোবা নোংহো কুচু মানবা
বনমালা খোনবা চূড়া শেপলপ তৌবা ॥
কীজোন সনাকীগেনা নৌনা নোংথাঙ কৃষ্ণা
জয় ওইরি নহাক্না হে লানবী হৈবা] ॥

মথংদা সূত্রনা মণ্ডলীসাজন শকনি, গোপীনা পরেং লেংখোকনি মহুদি—

সূত্র— গোপীর করুণা শুনি শ্যাম ব্রজমণি
আরম্ভিলা রাসলীলা মণ্ডলী সাজাই ॥

[গোপীনা হায়জবা তাবদা শ্রীহরি
হোরকলে রাস লীলা মণ্ডলী শেমহনা] ॥

অসুম্না মণ্ডলী শেম্বা লোইরবদা গোপীনা মথাগী রূপ প্রার্থনা
অসি ছাড়াদা অমুক শকনি মহুদি—

মেঘপুঞ্জনিন্দিবর্ণ বিদ্যুদাভা বাসক
বর্হাপুচ্ছ চারুচিত্র চূড়চক্র কামুক
ক্রোঞ্চ পংক্তি মঞ্জদিব্য লম্বি মোতি হারক
তাঞ্চ যামি ভাগ্যচন্দ্র প্রাণনাথ মাধব ॥
[ফুইনা হোবা নোংহো কুচুবু ঙমজবা
সনাকীগে কীজোয়া নোংথাঙ ওইনবা
রাহোং চূড়ানা কোক্না ঈয়ং লংবা
মোতি পরেংনা উরোক সঙ্গু মানবা
শ্রীচরণ থাদা চঙজরি ভাগ্যচন্দ্র ননাইনা] ॥

মসি শকপা লোইরগা গোপীনা 'শিশির রাগ' অলাপ তৌগনি মহৎদি—

গোপীগী রাগ

শিশির

তা রি রি রি, রিতনা নতনা
রি রি রি রি রি তা রি রি রি।
তা রি রি রি রি রি রি রি
রিতনা নতনা রি রি রি রি রি ॥
তারি তনতনা রি রি রি
রি তনা রি রি রি রি রি রি ॥

মসি অহানবদা সা দগী হৌরগা পঞ্চমদা মকোক্তুগী অস্তম হৌজিন্না শকনি। অসিগুম্বা আলাপনা হৌবা অসিদদি বাহন হাপ্লক্তে।

স্যার চূড়াচাঁদ মহারাজগী সনা হাক্তুক্তদি মসিসু মথাগী কামোদ রাগ অসিনা শিনথরে মহৎদি—

কামোদ

তা রি রি রিরিতনা ন ত না রি রি রি রি রি
তা রি রি রি তা রি রি রি রি রি
রিতনা নতনা রি রি রি রি রি ॥
তা রি ত ন ত না রি রি রি
তা রি রি রি ত না
রিতনা নতনা রিরিরিরিরি ॥
তা রি রি রি রি রি
রিতনা নতনা রিরিরিরিরি ॥
তা রি রি রি
রিতনা নতনা রিরিরি ॥

বাহন— ভর্ত্তাসমং পাথসি হেমবর্ণা,
পয়োবিহারেণ সরোরুহানি।
বিচিন্বতী সৌরভমোদমানা
কামোদরাগী কথিতা বিদগ্ধৈঃ।। রাগরত্নাকর

[মপুরোয়বগা ঈশিংদা শান্ন শান্নবা
কোয়না থম্বাল খিরিবী
থম্বাল মনমদা খোয়দাজবী
সনাগী কুচুনা তিনবী
মসিবু অশিংবশিংনা কামোদ রাগিনীগী মশক্কি হায়নৈ] ।।

মথংদা ছুইতাল. ৭ মাত্রাদা গোপীনা মখাগী ঈশৈ অসি শকনি—
নৃত্যতি হরি সঙ্গে রাসেশ্বরী।
নৃত্যতি হরিরিহ মোহন রাসে।।
[শান্নরি হরি শ্রীরাসেশ্বরীগা।। ধ্রু
শারিনে জগোই রাসমণ্ডলী য়াইদ

মথংদা মখাগী অসি সূত্র গোপীনা অণ্ডক অথোং শকুগনি।

তানচপ তাল

* কচ্ছপিকাভিস্তত্র মৃদঙ্গে-
ধৃ নুপদমুদয়তি নব নব নিনদে।
নৃত্যগতীঃ কাপ্যশ্রুতদৃষ্টা
বিদধতি সহযুবতিভিরঘমথনে ।।
থৈ তথ থৈয়া তা তথ থৈয়া
দৃমিকি দৃমিকি তৃকি তৃকি তৃকি তৃকি থা।
ইত্থমুদীয়ুস্তাল তরঙ্গা-
মধুর বদন—সরসিজ—কুল—কলিতাঃ। ৬৫
কৃষ্ণভাবনামৃত :৯ সর্গ লামায় ৭৭০
..........রাসলীলা

* ঈশৈ অসি গুরু ওঝা নিত্যানন্দগী কোর্কোরুপু য়াওরম্বী। বানানদি শোয়নে।

[কচ্ছপি বীণাসু খোংলি নীংথিনা
য়ৈরি মৃদঙ্গসু নৌনা খোম্হোক সুংশিনা।
শারি জগোই অঙকপা মওঙদা
মথোন কাবী গোপীশিংগা শ্রীগোবিন্দনা ॥
থৈ তথ থৈয়া তা তথ থৈয়া
দৃমিকি দৃমিকি তৃকি তৃকি তৃকি তৃকি থা।
অসুম্না থোকহনখি তালগী ঈথকশিং
মায়থোং নীংথিজবী থম্বাল মানবী গোপীশিং(না) ॥
কনানসু উরক্তরি তাখিবসু য়াওনদরি
পুং-শেল মখোলতগী ঈথক ইপোম হৌরি।
ঈশৈগী সুরনে জগোইগী ইনিলনে
পূমলাও লাঙলি পূমনিন নিল্লি মরোন'পূম্বা ঙক্লি]।

য়েংগদবা— খুল্লকীদি তানচপ অসি মেলগী মথাদা লাকই।

মথংদা মথাগী ঈশৈ অসি গোপীনা হাম্না লৌরগা সূত্রনা ওক্তুনা শক্তনি। ঈশৈ অসিদা চালি অফৈবী জগোই শাই হায়দুনা মসিবু 'মেল অফৈবী' হায়নসু খঙনৈ।

দুইতাল ৭ মাত্রা

সূত্র আওতরে ঋতুরাজ বসন্ত ॥ ধ্রু
* মলয়ানিল বহত সুধীর
কুসুম সুগন্ধ বিগন্ধে ॥
নবীন পল্লব তাহে শোভা
পুষ্পগন্ধে অলিবৃন্দ শোভা।
[লাকলে য়েংউ ঋতুরাজ বসন্ত ॥
(ঋতুরাজ লাকলে কয়া সুংঙাইরে) ॥
তপ্পা মেঙবা মলয়া ইপোমনা

* নীর ?

য়েল্লি হৈনম লৈনম লুংশিনা ॥
অনৌবা য়েন্নীংনা কয়া নীংথিজৈ
লৈনম কংবদা খোইমুনা ককশ্চাওনৈ] ॥

মথংদা মথাগী ঈশৈ অসি স্বত্রনা শরুগা গোপীনা খুমগনি মহুদি—

তানচপ, ৪ মাত্রা
রাস রাসেশ্বরী রাজত্তে রাধা
চন্দন চর্চ্চিত পঙ্কজ গন্ধা ॥ ধ্রু

তিনতাল মেল ৮ মাত্রা চালি
মাধব সঙ্গা বর্দ্ধিত রঙ্গা
পূর্ণ মনোরথ মন্মথ সঙ্গা ॥ কৃষ্ণরস সঙ্গীত
[রাস রাসেশ্বরী ওাল্লিনে শ্রীরাধা
চন্দন্না লৈত্তেংবী থম্বাল লৈনম চেনবী
শ্রীগোবিন্দ মাঙদা হরাউ মথোই কাবী
নীংজবা থুংলবী মহে য়াঙবীনি ॥]

মথংগী ঈশৈ অসিদনা চালি অরৈবীনা হৌরগা চালিনা লোই-
গনি মহুদি—

শ্যামল কোমল দিব্য শরীর
আকৃতবক্ষসি নন্দকিশোর।
উথলল মন্মথ সিন্ধুহিল্লোল ॥ কৃষ্ণরস সঙ্গীত
কিয়ে রাধামাধব, ঐ রাধা মাধব
মাধব মাধব ॥
[শংবানবা কুচু নীংথিজবা শাবান
ফজ্রবা থবাক চৌরূ-ঈংব-শকক্ষম।
ফাওহল্লিনে রতি কামগী ইথক হৌরি ॥
রাধা কৃষ্ণ অনিনা কয়াদ নীংথিরি ॥ রাধা মাধব] ॥

মসিগী মথংদা ভঙ্গী অচোবা শাগনি। সূত্রগা বাঁশীগা অরায় অথুম ঈশৈ শকনি, গোপীদি জগোইদমক শাগনি, ঈশৈ শকলোই।

রাজমেল ৭ মাত্রা

সূত্র— মৃদঙ্গ মুরুজ বাজে তাতা থৈয়া তাতা থৈয়া॥ বাজে
নাচত রাধা গোবিন্দ বৃন্দাবন মাঝে॥
কুসুম বকুল ফুল পুঞ্জ পুঞ্জ শোভিত বনে।
বৃন্দাবনে রাই কানু খেলন সখি সঙ্গে॥
(পাখোয়াজ মঞ্জীরা বাজে)
শারী শুকপিক রোলত রসাল
কোকিল পঞ্চম গাই।
নাচত রঙ্গ বহুক সঙ্গ ব্রজবধূগণ সঙ্গে।
(আজ বরি কি আনন্দ কি আনন্দ)

[তা থৈয়া থৈয়া হায়না য়ৈরি মৃদঙ্গ হুংশিনা॥ ধ্রু
যন্ত্র মখল শুনা য়ৈরি পুমনিল নিল্লি আতিয়া॥
(রাস মণ্ডলী য়াইদা)
(মমায় মণ্ডা শুনা ডাকলি গোপেশ্বর মহাদেবনা)
নীংথিবা শাথেক ফজবা খূৎথেক চীন্দা ঈশৈ শক।
খোইখোয়বী পীশূম তথকপী মিৎয়েং(না) ঈথক ইপোম হৌ
ফিজেৎ লৈতেংনা ঈরং লংলি মণি চাইবগুম(লি)।
তালদা মেনদা লৈনরি নোংথাঙ্গ কূপলি॥
তাথৈয়া থৈয়া হায়না হুংশিনা য়ৈরি।
যন্ত্র মখল শুনা য়ৈরি পুমনিল নিল্লি আতিয়া।

মসিগী মতুংতা হুজীক্তি নিত্যরাসপী ভঙ্গীগী ঈশৈনা শিন্দুনা শকথরে। মতুংগী মশক্তি—

মৃদঙ্গ মুরুজ বাজে তাতা থৈ তাথৈয়া বাজে। (মসিদি থাদোক্লগ্রে)
তা থৈয়া থৈয়া মৃদঙ্গ মধুর বাজে॥ ধ্রু
সবহু যন্ত্র মেলি বাজে করতালি আরে॥

রাস মণ্ডলী মাঝে
(যাহা পঞ্চানন দ্বারী গোপেশ্বর নাম ধরি)
গোপাঙ্গনাগন পদ চালে ভঙ্গী করি আরে।
কিবা সেই ভুরু যে করি চালন মাধুরী
কিবা সেই অঙ্গভঙ্গী গমন ভঙ্গিমা।
কিবা সেই নেত্রগতি বিজুরী উপমা।
তা থৈয়া থৈয়া মৃদঙ্গ মধুর বাজে।
সবহু যন্ত্র মেলি বাজে করতালি আরে ॥

[(মৃদঙ্গ মুরুজ য়ৈরি তাত্তাথৈ তাথৈয়া হায়না) ।
তা থৈয়া থৈয়া হায়না য়ৈরি মৃদঙ্গ ঙুংশিনা। ধ্রু
যন্ত্র মখলগুনা য়ৈরি পূমনিন নিল্লি আতিয়া।
রাস মণ্ডলী য়াইদা—
(মমায় মঙাগুনা ঙাকলি গোপেশ্বর মহাদেবনা)
নৌংথিবা শাথেক ফজবা খুৎথেক চৌন্দনা ঈশৈ শক
খোইখোয়বী পীশূম তথকপী মিৎয়েং(না) ঈথক ইপোম হৌ
ফিজেৎ লৈতেংনা ইরং লংলি মণি চাইবগুমলি।
তালদা মেলদা লৈনরি নোংথাঙ কুপলি ॥
তা থৈয়া থৈয়া হায়না ঙুংশিনা য়ৈরি ॥
যন্ত্র মখলগুনা য়ৈরি পূমনিন নিল্লি আতিয়া] ॥

মথংদা মখাগী ঈশৈ অসিদা চম্প্রা ওকপী শাড়ুনা লৈগনি মহুদি—

চতুরস্র জাতি একতাল (তানচপ)
৪ মাত্রা তাম্বা ১ মধ্যলয়

সূত্র— তা তা তাথৈয়া তাথৈয়া
দৃগি দৃগি দৃগি দৃগি দৃগি দৃগি তা ॥ ধ্রু
বহুবিধ ছন্দ রসালরে ॥
বাজে রাধা আলাবনি। বহুবিধ

তাহে নব নট বররাজ বিরাজরে॥ তাতা
নটিনী সমাজ॥ তাহে নব নটবর
মুরুলী বাজে॥ তাহে নব নটবর

[তা তা তাথৈয়া তা থৈয়া
দৃগি দৃগি দৃগি দৃগি দৃগি দৃগি তা॥ ধ্রু
শৈহেকলিনে নীংথিবা ছন্দদা॥
খোংলি রাধানা আলাবনি॥ শৈহেকলিনে॥
শারি জগোই নটবররাজনা নীংথিনা॥ তাতা
(অ) গোপীনা কোয়রি॥ শারি জগোই
মুরুলী খোংলি॥ শারি জগোই]

য়েংগদবা— মথাগী ঈশৈ অসিদা থায়গনি, খুজেং লৈবী শাগনি, খুরুমগনি, চন্দ্রা হেকপী থাঙয়ানবী শাগনি।

তিস্রজাতি একতাল

৬ মাত্রা— তান্থা ২ মধ্যলয়

পুং— ত্র খিৎ খিন্ন ঘর ধিন ধেন তা ধিন ধেন তা

ঈশৈ

সূত্র— সবহু যন্ত্র মেলি বাজে করতালি আরে॥
[যন্ত্র মখলশুনা য়ৈরি পুমনিল নিল্লি আতিয়া]॥

য়েংগদবা— মথাগী অসিদা চালি অরৈবী, লেংবান পায়বী-নচিংবা শাগনি। মথক্কী তালগা অমত্তনি।

পুং— ধিন ধেন তা ধিন ধেন তা

ঈশৈ

সূত্র— বরজ গোয়ালিনী বৈদগধি॥ ধ্রু
বৈদগধি আহেরিনী। বরজ গোয়ালিনী
কিবা সেই হস্তপদযুগের কাঁপনি
নানা তালে নানাগতি ভুবন মোহিনী॥
ব্রজ গোয়ালিনী

[নীংথিজবী ব্রজগোপী ।। ধ্রু জগোইহৈবী
হৈশিংলবী জগোইহৈবী ।। নীংথিজবা ব্রজগোপী
কয়া ফৈঙ্গে থোঙগী থৃংকী অপূনবা জগোই(না)
ঙকলি মরোল অহুম উবদা জগোই নীংথিবা ।
নীংথিজবী ব্রজগোপী] ।

মথাগী অসিদনা নামগী চালি শাগনি—
পূং— থ্র থ্র তাকধিন ধিন তা থেন... ... ...

ঈশৈ

রম্ভা তিলোত্তমা কিসে বা গণি ।।
[রম্ভা তিলোত্তমানা কৈদৌনগনি]

য়েংগদবা— মথক্কী অসি অরিবা কোর্কেবত্তগীনি । মতু দদি মসিগী মহুত্তা মথাগী অসিনা শিন্নখ্রে, কোর্কেক্তদি মক্ত য়াওদে অতুবু ঙবাং ঙসিতদা শিল্লকখিবসু নত্তে ; মথাদা উৎলি—

ঈশৈ

সূত্র— * নাদের দানি তুম (তুম) তদারে দানি ।। ধ্রু
ও দিম্ তানা দিম্ তানা দেরেনা দেরেনুম্
য়ললি য়ললি য়ললি য়ললি
বীণ রবাব মুরুজ পাখোয়াজ
ষোল সহস্র গোপী এক কানাই নাচে ।।

[নাদের দানি তুম (তুম) তদারে দানি ।। ধ্রু
ওদিম্ তানা দিম্ তানা দেরেনা দেরে নুম
কয়াদা হুংশিনা খোল্লোকলি যন্ত্রনা
বীণা রবাব মুরুজ পাখোয়াজ
লীশিংতরা তরুক গোপীলক্তা শ্রীহরিনা শান্নরি] ।।

* মসিগু স্যার চন্দ্রকীর্তি মহারাজগী মতমদা হাপকৎপনি নীংই । মরমদি মর্ব্বাক চঙবসি মহারাজগী মতমদা অহানবা ওইনা মরাং কায়না থোকখি ।

য়েংগদবা— মথাগী ঈশৈ অসিদা অথায়বী য়ৈগনি। জগোইনা লোংলৈ উপলৈ কোম্নবা আহম্লকনচিংবা শাগনি মতুদি—

+ ২

পুং— খিৎ গিন্ন গর ধিন ধেন তা ধিন ধেন তা

ঈশৈ

সূত্র - সপ্তস্বর তিন গ্রাম ছয় রাগ ছত্রিস রাগিনী
মেলি গাই ব্রজরমনী॥ ধ্রু
সা রি গ ম প ধ নি সা
সা নি ধ প ম গ রে সা॥
খরজ গান্ধার মধ্য পঞ্চম ধৈবত নিখাদ খাদ।
বাইশ আলাপ সুতান উনপঞ্চাশ
একুইস মূর্চ্ছনা গমক পঞ্চদশ॥

[গোপী লৈশাং তরাতরুক মাগী মাগী তোপ্পা তোপ্পা
শৈহেকলি, রাগ শুনা। ধ্রু
সা বি গ ম প ধ নি সা
সা নি ধ প ম গ রে সা
খরজ গান্ধার মধ্যম পঞ্চম ধৈবত নিখাদ খাদ।
তুংশিবা আলাপ গমকনা কয়া
নীংথিবা মূর্চ্ছনা তান-না মখল মখল]॥

য়েংগদবা— মথাগী ঈশৈ অসিদা মতুং মপান্দা ওস্থোক ওনশিন তৌদুনা নামগী চালি অনি অনিরক শাগনি। মতুংদনা খুং য়েৎনা শারগা ওয়গী খুৎনা থবাক্তা থমগনি, অতুগা মপান্দনা ওয়না শারগা য়েৎকী খুৎ থবাক্তা থমগনি।

ঈশৈ

সূত্র- মল্লার কর্ণাটক নাট কেদার
কামোদ ভৈরবী দেশগ গান্ধার॥ ধ্রু
বসন্ত মালব রামকেলি সুগুঞ্জরী
গৌরী গন্ধারী তোড়ী আশাবরী

বিলাবলি মারহট্টা মঙ্গল গুজ্জরী
দেশবরাড়ি সুপাঠমঞ্জরী ॥ বিলাবলি
মাধবী কৌশীকি পালি ললিত সিন্ধুড়া
এতই রাগিনী গান করে মনোহরা ॥ মাধবী
[... ... ...
... ...
রাগ রাগিণী শুনা শকলি পুক্লিং হুনা]।

য়েংগদবা— মখাগী অসিদা ঘাট তাগনি খোঙনা চক্র অনিরক লৈগনি, হোগত্নুনা থাগনি।

ঈশৈ

সূত্র— * ডগ মগ ডগ মগ ডম্ফ দ্রিমিকি
ডিমি পিপি বেস্নুনী সানে।
চলত চিত্রগতি মন্থর পদয়তি
মাধব ইহরস গানে।

[ডগ মগ ডগ মগ ডম্ফ
দ্রিমিকি দ্রিমি হায়না পুংলোন য়ৈরি।
অঙকপা খোঙথাংদা নীংথিবা শাথেক্লো
শারিনে জগোই ঙক্লা থোইনা]॥ তা থৈয়া

মথংদা চালিতালদা মখাগী ঈশৈ অসি শক্নুনা চালি মখল শুনা শাগনি। জাত, অলঙ্কার ছন্দ হাপ্নুনা জগোই কোন্ননবা হঙ্গিনগনি, অরোইবদা উপলৈ লৈতুনা থাগনি—

সূত্র— তা থৈয়া থৈয়া মৃদঙ্গ মধুর বাজে
সবাহু যন্ত্র মেলি বাজে করতালি আরে ॥

---

* ডগ মগ ডগ মগ ডম্ফ ডিমিকি ডুমি
পী পী বেণুনিসানে।
চলত চিত্রগতি নর্ত্তন পদ অতি
মাধব ইহরস গানে। পদকল্পতরু ১৮।১২৭।

ঠৈরিনে পুংনা তা থৈয়া হায়না।
যন্ত্র মথলশুনা ঠৈরি পুমনিল নিল্লি আতিয়া ॥]

য়েংগদবা— মত্তাং অসি ফাশুবা নিত্যরাসতগী লৌশিন্দুনা ভঙ্গী মপুং ফানবা হোৎনখি। থায়নদি ভঙ্গীগী ঈশৈ অসি শাংলমদে। মসিগী মরমদা নৌনা ফংবা মরোল খরদং উচ্চরি মতুদি—

পদ্মশ্রীগুরুঅমুবী সিংহনা 'লফুধন গোবিন্দ তত্রাউ তত্রাউ' হায়বা ঈশৈ অমা থায়নগী ভঙ্গীদা হন্না হন্না শরুরম্মী হায়তুনা স্বর্গীয় মাইবম শমদেন মেস্বরনা লৌবা স্বর্গীয়া ইবেহন দেবীনা (গুরু অমুবীনা ইচে ইবেম্মা কৌবা) তাকপিরম্মী হায়না সম্পাদকতা তাকপিরকখিদবগী পণ্ডিত শ্রীলৌরেম্বম ইবোয়াইমা সিংহ ব্রাংথৈ লৌরেম্বম লৈরক্তা লৈববু পোকপী, ঐনসু হান্নদগী খণ্ডক্তবী নরসিংহ মহারাজগী মশূইবেম্মা শ্রীমতি ইবেমহন দেবীদা হংজরুই। মখাগী অসি শক্নূনা হরাউ হবাউ তাক-পিরকখি মতুদি—

লুবধল গোবিন্দদাস
তাহুম দেরেনা ধিমটা ধিমটা' (তাহুমগী ঈশৈ শুনা)
... ... তানানা

মথংদা চালি অরোংবী লোংলৈ উপলৈ শাতুনা মখাগী অসি শমথগনি—

মধুকর কত কত কাদম্বিনী গায়ত ॥ ধ্রু
ধিলাঙ্গ খিং তাতা ধিলাঙ্গ খিংতাতা

(অনিশুবা পরেং অসি অনেম্বদগী অরাংবা, অরাংবদগী অনেম্বা ফাওবা হজিন্দুনা শরুনি, মমৈদা 'মধুকর' অহু হজিনগনি।

বৈষ্ণব পদাবলী (বসুমতী সাহিত্যমন্দিরনা ফোংনা) লামায় ৫৮৭ দদি মশক খরা তোপ্না ইরি, মতুমকসু অরোইবা পদ ওইনা তৌই, অভোগগী শরুকনি মতুদি—

কত কত পদ্মিনী পঞ্চম গাওত
মধুকর ধরু শ্রুতি ভাষ।

মধুকর মিলিকত পদুমিনী গাওত
মুগধল গোবিন্দদাস ।।

য়েংগদবা—'মুগধল'গী মহুত্তা লাইগুরুশিংনা 'লফুধন—লুবধল অসিনা শিল্লম্মী। লুবধল— রাহৈ অসিমকসু গোবিন্দদাসকী মরোললনি, বৈষ্ণব পদাবলী লাঃ ৫৯৭ তা য়াওরি। অদুনা কাদম্বিনী'গী মহুত্তনা পদাবলীদা 'পদুমিনী' হায়না লৈ।

অহল ওইরবী, মশাগী চহি ৯৩ শুরবী (২৫।১০।৭০ ফাওবদা) অবোক ইবেম্মা অসিনা অঙকপা নীংশিংবগী পাঙ্গলনা মথাগী অসিমসু তাকপিখি।

মসিনা স্যার চূড়াচাঁদ মহারাজনা নিংথৌ ওইবগী ইহান হেক হানবা ওইনা শান্নথিবা ১৮৯২ ইংগী নবেম্বর থাদা শান্নখিবা রাস অদুদা শকখিবা ভঙ্গীগী ঈশৈনি। জগোই অসি স্বর্গীয় রূপচন্দ্র শর্ম্মা মতম অদুগী রাজপুরোহিতকীদা শ্রীগোবিন্দ লেঙশিল্লিন্ডৈদা শান্নখিবনি। জগোই তম্ফমনা সোগাইজম বলরাম শাবগীদনি। মকোক চিংবী রাজকুমারী চূঙ্গোয়সনা (নরসিংহনা পোকপী), থৌরানী শাবী লৌরেম্বম ওঙবী ইবেমহন মশামক। সূত্র শকখিবীশিংদি রাজকুমারী থাবলসনা দেবী, হঙোইবম গোষাই শর্ম্মাগী মমা থৌরানীগা অতোপ্পী ব্রাহ্মণী অমগা, নরসিংহ মহারাজগী মজাইবেম্মা চাউসু সনানা পোকপী ইবেমহনগী মচা-সুপী চোংথাম চাউবী মখোয় অসিনি।

তম্বীখিবা ওজানা গুরুনিত্যানন্দ, রাংখৈ মেলৈ অমসুং তখেন-চঙবম কাহ্নাই শর্ম্মাদি মতম অদুদা নহা ওইরমলি।

অবোক ইবেম্মনা হায়বা মওঙ অদু কায়দনা ইরি—

ঈশৈ

শ্রীরাধা গোবিন্দ সঙ্গে সখিগণ ঘন নাচে ।। ধ্রু
(হজ্ঞিন হজ্ঞনি শক্ষনি)

সুখদ রজনী বনে রাধা মাধব সঙ্গে
নাচত কিঙ্কিনী বাজে।

শারী শুক পিক বোলত রসাল
কোকিল পঞ্চম গায় । শ্রীরাধা
(ভঙ্গী লোইবা ফাওবা মসিনা হঙ্গিন হঙ্গিন শকনৈ)

অবোক ইবেম্মনা তাকপি, মসিগী মথংদদি 'নাচত নাগরী নাগর সঙ্গে' অমদি 'টা টা তাথৈয়া' নচিংবা মথং মথং লাকখরে।

য়েংগদবা— মথক্কী অহানবা ভঙ্গীগী ঈশৈ অসিদি জহরলাল নেহরু ডান্স একাদেমী, মণিপুর ডান্স কোলেজনসু তাং ২৯।১০।৭০ ইংদা রোকোর্ড তৌখ্রে। অবোক ইবেম্মা অসিগী খোঞ্জেন অমদি ঈশৈগী মওঙ তাবি খংবিনীংবশিংনা রেকোর্ড অদু তাবিনবা নিংশিংজে।

অসুম্না ভঙ্গী শাবা লোইরগা কৃষ্ণ নর্ত্তনগী ঈশৈ তাগনি। অদুবু অরাবদি শ্রীগোবিন্দগী রাসতদি গোবিন্দস্বয়ং লেঙথোকপনা মরম ওইদুনা অপোপ্পা কৃষ্ণশাবা অমা য়াওদবগী অমরোমদা মতম মাঙনবসু ওইরক-পদগী হুজীক্তি মসি শীজিন্নখিদ্রে। মরম অদুনা মসিগী সুর-ছন্দ অমদি তালমেন করিসু খঙনখিদ্রে। অসুম্না শীজিন্নখিদবসি মথং মথং নম্বর শীরিবা মখাগী নং অহুম অসিনি। গুরু কাহ্নাইগী অরিবা কোর্বেক্তা ইরিবা মশক অদুদি—

(১)

সূত্র— নৃত্যতি হরিরিহ মোহন রাসে।
রসিক যুবতী চিত্ত বিলাসে॥
দর্শয়তে বহু হস্তক ভেদং।
চলতি ললিত গতি চিত্র মখেদং॥
মধ্য-বিলম্বিত দ্রুত-পদ চালং।
কলয়তি গীত পদোচিত তালং॥
বত্ন খচিত পদ বলয়ক তীরং।
ভ্রময়তি নবঘন শ্যাম শরীর॥
সহ নর্ত্তক রাধা মুখবিম্বং
চুম্বতি চারু কৃত পরিরম্ভং॥

মধুর সরস্বতী গীত মুদারং।
জয়তি রসিক জন হরিরস সারং॥
কৃষ্ণ-রস-সঙ্গীত

[শাগ্নরি য়েংউ হরি রাস মণ্ডলদা
ব্রজগোপীশিংগী থম্মোই শুম্নাংনা ।।
থুংলোন থুংথেক করা শারি(নে) ঙক্লা ।
নীংথিবা শাথেক্তা অঙকপা খোঙথাংদা ।।
অঙম্পা অথুবা ময়ায় ওইবা লয়দা
শকলিনে ঈশৈ হুংশিবা খোম্বাঙদা ।।
রুনু ঝুনু রুনু খোঙদা মণি-নুপুর
সনা-ফীগে নোংথাঙ শংবানবা কুচু ।।
সনা লৌক্লাং-লক্কী অশংবা মণিগুম
নৈনা জগোই শাবি গোপীলক্তা হবি ।।]

(২)

সূত্র — ঈশৈ

জয় রাধা মাধব কেলি বিলাসং ।। ধ্রু
কিয়ে রাধা মাধব নবীন কিশোর ।।
ভাতি বৃন্দাবন বিপিনমজস্রং ।
পিক পঞ্চম কৃত প্রশংসং ।।
বৃক্ষোপরি পক্ষিগণ কৃত হর্ষং ।
প্রফুল্লিত নব নব মল্লি বিতানং
সনাতন বর্ণিত বৃন্দাবন মহিমানং
পিবত সুধা' শ্রবণেন সুধারস গানং ।।

[রাধা মাধবনা ঙাম্লিনে যেংউ ।। ধ্রু
সনা থক্তা থম্ফা থিল্লি নীংথিরি ।।
রাহৌং-কোকিল খোঞ্জেনগুনা নিম্লিনে
হরাউ মথোই কারে বৃন্দাবনসে ।।

উরী ব্রারী হৈপান লৈপান হয়াউনরে।
লৈনা লৈমায় পূমভৌ ভোরে, চাইথরক্লে ॥
বৃন্দাবন মহিমাবু শৈহেকচরি সনাতননা
থকচরি অমৃত ধারা মিৎলু ঈশ্বা শিম্বনা ॥]

(৩)

(রূপক তাল)

সূত্র—হের হের প্রাণসখি শ্বত্যতি মুরুলী ধারী।
মুচান্দ বয়ান কমল নয়ান যে রসে নেহারী
মৃদু মৃদু হাস বিলাস বিরাজিত
নীল ইন্দিবরকান্তি কলেবর ॥
গলে দোলত মালতী মালা শিরীষ চম্পা নাগ-
প্রফুলিত চৌদিগে ধায়ত কুঞ্জিত রঞ্জিত ঘনন-
ঘনন নন বাঁকে ঝাঁকে অলি লাখে লাখে ॥

[জগোই শারি য়েংউ সখি কয়াগী মতিক ফজৈ।
মায়থোংনা থানিন মিৎস্নানা থম্বাল মিৎয়েংনা রস চেন।
অশংবা থানিনগুম চীক্ল-ঈংবা শক্তম
মোমোন নোকপা মীনোক পূক্লীং হুবা শাথেক ॥
জগোই শাথেক্তা মালতীপরেং বনমালাগা হাইমিন্নরি
ককভাওনৈ পাইশিন্নৈ কোয়না লৈপাম্বা খোইরাবা
ইনিন ইনিন নিন্না ঙংনা ঙংনা মপৈ মপৈ খোইমুনা।]

মথক্কী অহুম অসিগী মহুত্তা হৌজীক্তি কৃষ্ণ রূপ অমা শক্লরে মতুদি—

সূত্র, গোপী

চালিতাল

শ্যামরূপ গো শ্যাম রূপ কি মাধুরী হেরনা। ধ্রু
হের হের প্রাণ সখি হে, অবলা প্রাণ সহেনা ॥
বাঁকা নয়ান চাহনি কেমনি প্রাণ সহেরে।
দীনহীন ভাগ্যচন্দ্র এই অভিলাষরে।

[অশংবা থানিন ঙমজবা মায়থোং
য়েংউ কয়াদ নীংথিজৈ ।। ধ্রু
য়েংনা য়েংনা পেনব লৈতে
পান্দম লৈত ফজৈ ফজৈ ।।
খোই খোয়তোবা মিংয়েংনি
গোপী থম্মোই হুবনি ।।
খৌরাংজৈনে চরণ সেবা
ননাই ভাগ্যচন্দ্রনা ।]

মথংদা রাধা নর্ত্তন তাগনি, তুইতাল— ৭ মাত্রা । সূত্রনা হল্লগা গোপীনা জগোই শানা শানা থুমগনি—

ঈশে

সূত্র— চন্দ্রবদনী নৃত্যতি মন মোহিনী ধনী । হায়
চন্দ্রবদনী মৃনগীয়নী বৃন্দাবনেশ্বরী
রাইত ভাল ।।

তাহে অতি নাচত গতি অতি ভালে ।।
আজরজনী বটে রূপে রাইত ভাল বিরাজিছে ।।
রাই নবীন নবীন শ্রীবৃন্দাবনে কারয়াছে আল ।
ব্রজসুবালা তারকমালা মণ্ডলী বদ্ধ সাজলি । হায় হায়
সঙ্গহি যেমন মদন মোহন কিয়ে ঘন সৌদামিনী
বরজ বনিতা সঙ্গে সুচরিতা নাচত সুখদ যামিনা । হায় হায়
বিষম তাল সখি সুজাল ঝনন ঝনন বাওরি ।
বহুক সঙ্গে নাচত রঙ্গে মধুব মধুর গাওরি ।। হায় হায়
কতহু আনন্দ শ্রীরাধা গোবিন্দ হেরি অনঙ্গ ভূলল
সে রূপমাধুরী হেরি ভাগ্যচন্দ্র (সিংহ) রহত প্রেম বিভোর ।। হায় হায়
রাধামাধব—রূপ—অনুপমা হের কত মুরুছি অনঙ্গ ।।

[থাবু, ঙমজবী শ্রীরাধিকা
শারি জগোই নীংথিনা। য়েংউ
থানিন কোটিনা তমজনীংঙাইনি
বৃন্দাবনেশ্বরীনা ঙাম্লে, য়েংউ ।।
খোঙস্থু তোনস্থু জগোই শারি শাথেক নীংথিজে
কুচুনা নোংথঙনি, শক্তা চুগা কয়াদা চুন-চানজে ।।
মেঙনা ঙানবা মঙাম্না বৃন্দাবন 'পুম্বা পুমঙান ঙাল্লে।
পরেং লেংলি থরাম্নীচাকুম ব্রজগী নহাওইবীশিংনা ।। কয়া ফজরি
শ্রীগোবিন্দগী ওয়দা থোৌগল্লি নোংথাঙ কুপলি
ব্রজগী গোপীশিং নৌজরিবীশিং থোৌগজে হরাউনা পেম্নরি ।।
কয়া ফজরি
অরুবা তাম্বা য়ৈনৈ সুংশিন্না ঝনন ঝনন সখিশিংনা
সুংশিবা বীণা, মখোললনা নিল্লি শৈহেক্রি নীংথিবা খোম্থাঙদা
কয়া ফজরি
হরাউ মথোই কানৈ শ্রীরাধা গোবিন্দ। মরোল অহুম ঙকহল্লি।
পেনব লৈত য়েংজে মনাই ভাগ্যচন্দ্রনা ঙাওজে প্রেম ঈহৌননা ।। ২
কয়া ফজরি
যুগল মূর্ত্তি অজে শ্রীরাধাগোবিন্দগী য়েংউ কয়া নীংথিজবা]।

য়েংগদবা— অসুম্না রাধা নর্ত্তনগী ঈশৈ অসি সূত্রগা গোপীগনা অওক অথোং শক্তুন্না গোপীনা জগোই শারিজৈদা শ্রীরাধাগোবিন্দসু চক্রদা অহুম্মুক জগোইগী মতুং ইন্না কোয়না, তপ্না অসুম লৈচুনা ইনগনি। মসি গোইরগা মথংদা ফাগু-খেল তারগনি। মথাগী ঈশৈ অসি দুইতাল— ৭ মাত্রাদা শকনি। গোপীশিংনা ওয়গী থুংনা আবির দোনা পায়রগা য়েৎনা জগোই শাগনি। নিংথৌগী মচাইবেম্বা অমদি মহারাজাগীনা মকোক চিংলবদি লুপাগী শেনাৎ মচা অমদা আবির হপাগুনা পায়গনি। মসিসু সূত্রনা হন্নগা গোপীনা থুমজুনা শকনি—

ঈশৈ

দেখত রঙ্গ তুঁহুক সঙ্গ
ফাগুয়া রঙ্গ ভরিয়া ॥ ধ্রু
বাজত চঙ্গ বীণা উপাঙ্গ
বাজে পাখোয়াজ সখিয়া ॥

(১) উরে আবির ভরি গুলাল
লাল বরজ ভূমিয়া ॥

(২) গগন লাল কুম্পতাল
লাল লালরি সঙ্গিয়া ॥

(৩) ন্যার ন্যারী প্যার প্যারী
মারত পিচকারীয়া ॥

(৪) নাচে গোয়ালী বাহু পসারি
জয় জয় জয় বলিয়া ॥

(৫) কোকিল নাদ ভ্রমর শবদ
নাচত লাল শিখিয়া ॥

(৬) দীনহুলাল বৈষ্ণবদাস
মাগত চরণ ধূলিয়া ॥

[হরাউ মথোইকা পুক্নীং ঈরাং হৌ
চাইনরি ফাগু ইঙাঙ ঙাঙ ॥ ধ্রু
য়ৈরি যন্ত্রশিং খোংলি বীণাসু
মৃদঙ্গ-মঞ্জীরা সখিশিংনা ॥
আবির উফুননা থল্লে আতিয়া
ঙাঙলে রাস-মণ্ডলী য়ায়সু ।
উরকসু ঙাঙলে ঙাঙলে নিকুঞ্জ
ঙাঙলে ঙম্না গোপীশিংসু ॥
অমনা অমা তম মায়থোং মক্কারাম
কাপশিন্নৈ পিচকারিনা ॥

হয়াউনৈ গোপীশিং পাম্বোম থাংগৎনৈ
জয় ওইরে জয় ওইরে হায়না নিম্নৈ ।।
কোকিল খোনথাঙনে খোইমু মখোলনে
রাহোংনা কেনা নোয়বনে ।।
ঙাঙলেনে মনাই ভাগ্যচন্দ্রসু
নিজরি শ্রীচরণ ধূলিবু ।।

য়েংগদবা— মথাদা উৎলিবা হায়রগী মোত অসি মৈতৈলোন্দদি খরা চুনবা রৎনা থোক্কনি। মরম অদুনা ঈশৈগী মতুংইন্না মোত ভৌবনা হেন্না চুশিন্নগনি। মোতকী অর্থসু অসুন্না তৌ হায়বনি। শ্রীগোবিন্দগী সেবাগী মওঙ মক্তনি করিসু কায়বা লৈয়োই থল্লি।

মথংদা মথাগী ঈশৈ অসি 'একতাল— চতুরস্র জাতি'দা সূত্রনা হল্লগা গোপীনা ঈশৈগী মোত ভৌনা ভৌনা খুমহুনা শক্কনি—

(১) ঈশৈ অসি শক্লা শক্লা গোপীনা মাঙদা খোঙফম অহুম চঙশিল্লগা খুবক্উ লৈত্তাহনা নীংগাঙননা ফমগনি অমসুং শ্রীরাধাগোবিন্দ অনিমক্তা আবির অহুম্লক চাইশিনগনি। য়েংকী খুৎনা লোংথোক্লা চরণ ওমনা চাইশিনগনি।

(২) মসিদা গোপীশিংনা লেপখৎলগা মথক্তা চাইখৎকনি।

(৩) গোপী অনি অনি লৈনহনা জগোই শামিন্নগনি।

(৪) লোংলৈ লৈরগা পাম্বোম থাংগত্তুনা জগোই শাগনি।

(৫) মসিসু নং ৪ গা মোত অমত্তনি।

(৬) লেপ্পা লেপ্পা রাধাগোবিন্দদা খুৎ থিন্দুনা মোত ভৌগনি। থুক্কেং মতেক লৈহনা খোঙফম অহুম মাঙদা চঙশিল্লগা নং (১) দা ভৌখিবগুম কমথহনা 'মাগত চরণ ধূলিয়া' হায়বদা আবির চাইগনি।

ঈশৈ

(১) ভর পিচকারী পিয়ামুখ মারি
অঙ্কিয়ন *দুঃখেরি হামারি॥ ধ্রু

(২) কেহু কেহু মারে বদন নেহারি
নাগর আবির লেই করভরি॥

হাসি হাসি মাধব বদন নেহারি
হাসি সুন্দরী মন মন্মথ রঙ্গে॥

দেওত নাগরী নাগর অঙ্গে
জয় জয় ভূবন বিজয়িনী রাধা॥

(৩) বৃন্দাবন তরুলতা শারী শুক অরুণ ভাষ
অরুণিত যমুনা নীর বঞ্চিত উদ্ধবদাস।

[(১) পিচকারী হাল্লি মায়থোং তমনা কাপনৈ
মিংস্না উইশিন্নরি লৈথোক্তুনা থাঙনে। ধ্রু

(২) গোপী'পুস্বা হুপলি গোবিন্দদা ওনশিল্লি
লানবু ঙমগে মওঙনি হরাউনা কাপনরি।

নোক্না নোক্না শ্রীরাধিকা মায়থোং মকারাম্না
মবুংঙোগী মায়থোংতমলি কাপ্লি পিচকারী॥

সখিশিংনা মতেং পাংলি হরাউ মথোই কারি
লাউনরি ঈরাঙ লাঙলি রাধানা জয় ওইরি॥

(৩) হৈপান লৈপান ঙাঙলে উচেক-য়ায়াসু মচু শঙলে।
যমুনাসু ঈচেল ঙাঙলে উদ্ধবদাসদি তোকচরে॥

---

(১) পিচাকারী কাপ্পগী মোত তৌগনি।

(২) শ্রীগোবিন্দগী শ্রীমুখ তম্না আবির চাইশিনগনি, মখোয় মথৈসু চাইনগনি।

(৩) গোপী পুম্নমক পরেং অনি খোকনি, মকোক চিংবীগা মথং চংশীগনা পরেং অমমমগী লুচিংগনি। পরেং অনিমক খাত্রাঙ চত্তুনা আবির চাইগনি।

---

* দুঃখে ইহ মারি— ?

মথংদা মথাগী ঈশৈ অসি সূত্রনা হল্লগা গোপীনা খুমহনা শরুনি। চালি অরৈবী শাগনি, কৃষ্ণনা চন্দ্রাবলি থিবগী ঈশৈশিনি। শ্রীগোবিন্দ-গীদি কৃষ্ণশাবা রাওদবনা গোপীশিংগী জগোইগুমক উৎকনি।

ঈশৈ

সূত্র— শ্লিষ্যতি কামপি চুম্বতি কামপি রময়তি রামাম্
পশ্যতি সস্মিত চারুপরামপরামনুগচ্ছতি বামাম্
(হরিরিহ)॥ ৪৬

(১) শ্রীজয়দেব ভণিতমিদমদ্ভুত কেশব কেলিরহস্যম্।
বিপিনবিনোদকলা বলিতং বিতনোতু শুভানি যশস্যম্
(হরিরিহ)॥ ৪৭

[জগোই শারি হরি লৈনা কোয়না চৎলি
গুম্সংলি পুক্নীং গোপী খুদিং॥
আলিঙ্গন চুম্বন পীবিরমলি নুংশিনা চান্না য়েংবীরমলি
কনাগীনা মতুং ইন্না চৎলি॥ ৪৬
মিংচৎ পীনহৈবা অসিগুম্বা ওক্রবা
শ্রীহরিগী বৃন্দাবন লীলাদু
শ্রীজয়দেবকবিনা লেংজৈ মঙ্গল পীনসনু ভক্তশিংবু]।

মথংদা চন্দ্রাবলীনা জগোই শাগনি, গোপী পুন্নমক ফমহনা লৈগনি। হায়্রগুমনা সূত্রগা গোপীগা ঈশৈ অওক অথোং অহনমক শরুগনি।

ঈশৈ

সূত্র— দেখ চন্দ্রাবলী সঙ্গে বনমালী
মোহন নাচয়ে রঙ্গে (১)॥
কোটি চন্দ্রজিনি মুখ সুলাবণী
হেরি মূরুছি অনঙ্গ॥

(১) শ্রীজয়দেব কবেরিদমদ্ভুত—পাঠঃ

(১) রঙ্গ?

[য়েংউ চন্দ্রাবলী বনমালীগা
শারি জগোই নীংথিনা।
থানিন কোটি ভমদৈ মায়থোং নীংখিদৈ
কামগী মপুস্সু ওন্দ্ধংলি ॥]

মথাগী ঈশৈ অসিদি সূত্রতনা শক্কনি, গোপী য়াওরোই। মসিদস্সু চন্দ্রাবলীদি অহম্মক জগোই শাত্থনা লৈগনি—

ঈশৈ

সূত্র— শতকোটি গোপী সঙ্গে রাসবিলাসে (২)।
তারমধ্যে চন্দ্রাবলী করিলে নর্ত্তন।
চন্দ্রাবলী নর্ত্তন দেখি প্রেম ভাসে হরি ॥

[গোপী কোটি কয়ালক্তা শ্রীরাসমণ্ডলদা
জগোই শারি চন্দ্রাবলী হরাউ মথোই কানা।
প্রেম ঈথক হোরি য়েংবদা হরিনা মুল্লি] ॥

মথাগী অসিস্সু সূত্রতগীনি গোপী য়াওরোই। শ্রীমতীরাধানা মান তৌখিবগী ঈশৈনি।

ঈশৈ

সূত্র— সাধারণ প্রেম দেখি সর্ব্বত্র সমতা
রাধার কুটিল প্রেম হইল বামতা ॥
ক্রোধ করি রাস ছাড়ি গেলা মান করি
তারে না দেখিয়া ইহ ব্যাকুল শ্রীহরি ॥
(ভক্তিরত্নাকর)

[কৃষ্ণগী- প্রেমনা মমল য়াওদবা উবনা
হকচিল্লবা রাধাগী প্রেমদা ওইখি অপনবা।
শাউহ্নুনা চৎখরে রাস থাদোক্তুনা রাধিকা
লাওতরুহৌরে শ্রীহরি মাবু উদবদা] ॥

(২) বিলাস ?

মথংদা মখাগী অসি অমুক হান্নগী মণ্ডদা অতুম্মক শমথঙনা শৰ্কনি মতুদি—

গোপিগণের রাসনৃত্য-মণ্ডলী ছাড়িয়া
রাধা চাহি বনে ফিরে বিলাপ করিয়া ॥
[অসুম্না শাউঙনা মণ্ডলীদগী থোকখরে
কপ্না কপ্না রাধা থৈদোক্নুনা লৈখরে] ॥

মথংদা মাখাগী শ্লোকশিং অসি অমুক থীগনি—

কংসারিরপি সংসারবাসনাবন্ধশৃঙ্খলাম্ ।
রাধামাধায় হৃদয়ে তত্যাজ ব্রজসুন্দরীঃ ॥ ১
ইতস্ততস্তামনুসৃত্য রাধিকামনঙ্গবাণ ব্রণ খিন্নমানসঃ ।
কৃতানুতাপঃ স কলিন্দনন্দিনীতটান্তকুঞ্জে বিষসাদ মাধবঃ ॥ ২
(গীত গোবিন্দ ৩য় সর্গঃ)

[থাদোক্নমলে গোপী অতৈ
তম্লক্লেনে রাধা মায়কৈ
মায়াগী য়োক্লিং শকপী
মহাক্তনি শ্রীহরিগী ॥ ১
কামগী তেন্না পাল্লহনা
থম্মোই মৈহুম চুরহনা
রানা কোয়না থিরকলি ।
নীংঙম্লক্তরে থিফম খঙদরে
থরায় রারে ক্ষমলে
যমুনা মপানদা] ॥ ২

মথংদা মখাগী অসিসু ছাড়াদা অতুম্মক শমথগনি—

সূত্র— তাহা বিনু রাসলীলা নাহি (১) ভায় মনে
শত কোটি গোপী নহে কাম নির্ব্বাপণে ॥

[১] 'ভায়' মসি' ভাশব্দগীনি। পদাবলীগী লোন্দা 'ভা' শব্দগী অর্থদি— ঙানথোকপা, মঙানফংবা, নীংশিংলকপা, পেনজবা, নুংঙাইজবা অসিনচিংবা ওই।

[মহাক য়াওদনদি অরেম্বনি লীলা
গোপী কোটি কয়া লৈম্বুনসু পুন্না
রাস ওইবা মারোই কাম মৈরি মুৎলোই]।

মথাগী ইশৈ অসি ছাড়াদা অচুম্বক অমুক শমথগনি। সূত্রতনা শকনি। গোপী পুন্নমক মতম অসি ফাওবা ফমতুনা অচুম্বক লৈথিগনি।

ঈশৈ

সূত্র— সখীর বচন শুনি মান ভেল অবসান।
মান জনিত তুঃখ সব দূর গেল ॥
কত সুখ রতিক্রীড়া তুহুঁ জন করে।
রাধা মাধব বহু আনন্দ ভরে ॥

[শ্রীগোবিন্দগী অয়াবা মতৌ উরবদা।
ললিতানচিংবী অথোইবী সখীনা
থেন্না নৌনা হায়জরে রাসেশ্বরীদা
শাউবা ফরতুনা শ্রীরাধিকা
রাস শান্নখরে শ্রীকৃষ্ণগা]

য়েংগদবা— মথকী অসিনা থায়নগীনি, হুজীক্তি মথাগী অসিনা শিনথরে। মসি থুল্লকী বসন্তরাসকী ঈশৈনি। মহুদি—

ঈশৈ

সূত্র— কাতর হইয়া ধনি রাই
ধরণী উপরে প্রাণবন্ধু পড়ে দেখি
রাই বাম করে ধরি উঠ বলি ॥
তবহু নাগর অঞ্চলে ঝাঁপিয়া হেরি বিভোরা
রাধা মাধব তুহুঁ মনোরথ পুরে ॥

[য়েংঙমদরে শ্রীরাধা উরুবদা
তুহুনা লৈবদো মবুংঙোনা লৈমায় থক্তা

হৌগৎলুরে খুৎমা লেঙখৎলু হায়না ॥
ইকাই হুংশিনৈ হুরান মিৎয়েংনৈ
থম্মোই ঈথৌ লাংনৈ লকাহুংদা পেম্নে]॥

মসিদগীদি যুগলরূপ বর্ণন শকনি। গোপীনা হৌগত্নুনা জগোই শাগনি। সূত্র গোপী অনিমক শকমিন্নগনি। চালি শাগনি।

তিনতাল মৃচা—৭ মাত্রা

জয় জয় কুঞ্জরাজ রাণী ॥ ধ্রু
শ্রীনন্দের নন্দন ভানুকিশোরী
যেন ঘন সৌদামিনী ॥ জয়
নীল-পীতাম্বর শ্রীঅঙ্গে সুন্দর
দুহু কান্তি দুহু শোভা ॥
কটিতে কিঙ্কিনী করে কিনি কিনি
ভকতের মনলোভা ॥
চরণ উপরে সোনার নূপুর
রুণু ঝুনু রুণু বাজে ॥
তা শুনি আনন্দ রাই রামানন্দ
নাহি ভয় লোক লাজে ॥ জয়

[জয় ওইরি কুঞ্জহুংদা ভাম্নি
(কুঞ্জনিংথৌ কুঞ্জরাণী অনিনা)
পুন্না ভাম্লে শ্রীগোবিন্দ শ্রীরাসেশ্বরী
নোংদা লেঙদবা নোংথাঙ কুপলি ॥
শংলেন ফীজোন সনা ফীগেনা
শ্রীঅঙ্গ অনি লৈতেংনৈ
খাঙদা কিঙ্কিণীনা খীংলি কিনি কিনি
শুম্মৎলি ভক্তশিংগী পুক্নীং ॥
শ্রীচরণদা সনাগী নূপুর
খীংলি রুণু ঝুনু হায়না
ভাবদা পেঞ্জরি রাই রামানন্দ
ইকাই ইকি করি লৈতরি] ॥

মথংদা স্বাধীন শক্তনি। গোপীনা সেবা চঙবদি য়াদবনা পুজারী ব্রাহ্মণশিংনা সখিগী মহুত্তা ঈশৈগী মতাং চানা থৌগন চঙগনি। গোপী-শিংনা কাঙহাই, চামর থৌগনদি ত্তৌবা য়াই। ব্রাহ্মণনা সেবা চঙবা খুদীংগী পোপী অনি অনি চঙহুনা খুরুমগনি হায়বদি চঙলিবা সেবা অহু মখো না চঙজবনি খনগনি।

ছুইতাল— ৭ মাত্রা

রতিরণ অবসানে বৈঠল দুহুঁ জনে
বেশ ভূষণ করু সাজে॥
সেবা পরা সখিগণ দুহুঁ জন সেবন
বুঝিয়া সময় সব কাজে॥
কই সখী হরষিত দেই জল সুবাসিত
কই সখী চামরে ঢ়ুলাই॥
গাঁথিয়া মালতীমালা পড়াইলু দুহুঁ গলা
কই সখী তাম্বুল যোগাই॥
রাধাকৃষ্ণ শ্রীচরণে মৃদু মৃদু সম্বাহনে
কই সখী মনোরথ পুরে॥
কহ কবিশেখর রাইকানু সুন্দর
কবে হব নয়ন গোচর॥

[রতি লীলা লোইরবদা অন্না পোখানহুনা
লেঙশিল্লে রত্নসিংহাসনদা।
সেবা চঙবী সখিশিংনা অনিমক্কী থৌগল্লি
নীংজবা খিবীক থুংনজরি॥
অনিমক্কী মায়খোংনা ইঙান ভাল্লে কুজহুং
সেবা চঙনজরি সখিশিংনা॥
কনানা চামর হুমজরি কনানা কাঙহাই থৌগল্লি
কনানা হকলি মালতী পরেং।
রাধ-কৃষ্ণ শ্রীচরণদা লৈগী খুজোক লোয়ননা
কৎচরি থয়ায় হকচাং 'পুম্বা॥

লাইবকথীবা ভাগ্যচন্দ্র খৈরাংজৈ প্রেমামৃত
নিজৈ ননাইগী ননাই ওইজবা]॥

য়েংগদবা— মথংদা গোপীনা খুকউ খুদক কুন্দুনা খুৎ লোন্নহনা মথাগী প্রার্থনা অসি ছাড়দা শকনি। মসি তিনতাল অচৌবদা তাল থান্নসু য়াই। ভন্নদবদগী থাদোক্লখিবা ওইরমগনি নীংই।

ঈশৈ

গোপী— জয় জয় শ্রীকৃষ্ণচন্দ্র দয়াময়
না ছাড়িহ অভাগিনী রাখহ জীবন॥
হা গোবিন্দ কৃপাসিন্ধু
ভদ্রসিংহ প্রাণবন্ধু
নরসিংহ হৃদয়ের ইন্দু॥
হা হা নাথ দীন বন্ধু
করুণৈক সিন্ধু॥

[জয় ওইরে শ্রীরাসেশ্বরী শ্রীগোবিন্দ
থাদোকপিন্নু লাইবক থীবী পাপচেনবী ননাইবু।
চানবীহৈবা শ্রীগোবিন্দ ভদ্রসিংহগী থন্নায়মপু
নরসিংহগী থম্মোই থানিন কৃপা মরীক পীনবীয়ু
প্রেমগী ঈরীক থীকথীবয়ু]॥

য়েংগদবা—মসি লোইরগা ২৯ লামায়দা হায়রবা 'জয় রাধা মাধব কেলি বিলাসং'নচিংবা ঈশৈ অসু হান্নগা চপ মান্নবা অমুক শকনি।

অষ্ট সখীগী সেবা (বৈষ্ণব দর্পণ)—

ললিতা— তাম্বুল সেবা, বিশাখা— কর্পূর সেবা
চিত্রা— বস্ত্রলঙ্কার সেবা ইন্দুরেখা— নৃত্যসেবা
চম্পকলতা— চামর সেবা রঙ্গদেবী—অলক্তক সেবা
তুঙ্গবিদ্যা— গীতাবাদ্য সেবা সুদেবী—জলসেবা।

গোপীনা হৌগত্তুনা জগোই শাগনি। সূত্রগা গোপীগা অওক অথোং ঈশৈ শরুগনি।

অসুম্না জগোই শাবা লোইহুনা থারগা মথাদা থুরুম্ব ভঙ্গী পরেং শারগনি। সূত্রনা শরুগা গোপীনা জগোই শাহুনা থুমগনি।

থুরুম্বা ভঙ্গী পরেং
রাজমেল তুইতাল

সূত্র- * রাস রঙ্গথল পরম সুশীতল
সহচরিগণ তঁহি ঘেরি। ধ্রু
(১) বাজন যন্ত্র করু কেলি॥
দুহুঁ মুখ চাহি পাই পরমানন্দ
তারা মাঝে চাঁদ কি শোভে
অম্বরে কিসে বা গণে॥
হের দেখ গগণ চাঁদে
তাতে মলিন আছে কিবা
কেনই বা তুলনা দিবে
গগন চাঁদ একা চাঁদে॥
(২) (একলধ্রু) হেরদেখ রাসস্থলে
দুই চাঁদ উদয় হইল॥ অকলঙ্ক

[শ্রীরাস মণ্ডলী কয়াদা নীংথিরি
ব্রজগোপীশিংনা ইকোয় কোয়রি॥
শ্রীরাধাকৃষ্ণ ওাল্লি ময়ায়দা।
অনিমকপু য়েংনৈ হরাঊমথোই কানৈ॥ শ্রীরাধা…

---

* অহানবা পরেং ৪ অসি কৃষ্ণকান্তগী পদাবলীদগীনি অতৈদি মায়ন্রে। অদুগা 'বাজন যন্ত্রে তন্ত্রে করু মেলি' অসিসু ময়েক মান্নদবদা নত্তুনা মথক মথাসু ওয়ে।

(১) বাজন যন্ত্রে তন্ত্রে করু মেলি—বৈষ্ণব পদবলী ৮৪১

(২) মসি কোর্বেত্তা ইবা মওঙ্নি, করি হায়রিবনো খঙন্রে।

নোংদোন থক্কী থানিনগুম্বী
গোপীলক্তা (থানিনগুম্না) ইঙান ঙাল্লি ।
য়েংউ নোংদোন থানিন অসে
মায়হিংনা মমায় মকলিবসে ।।
উক্ত্ববদা ফীরুক থুমলে
ইকাইজরে লোৎফম থিরে । শ্রীরাস
য়েংউ থানিন অনি থোকলি
রাস মণ্ডল পূমঙান ঙাল্লি ।।
মক্তুরবা, য়েংউ থানিন অনি থোকলি...] ।।

য়েংগদবা— মথংদা মথাগী অসি তানচপ তালদা হোংহুনা শকথগনি মহুদি—

ঈশৈ

সূত্র– (০) রঙ্গিণি রাই রঙ্গিয়া শ্যাম রায় ।। ধ্রু
দুহেঁ দুহুঁ চাই দুহুঁ মুচকায় *
ডালে শুক-শারী বলে শ্যাম জয় কিশোরী (পি)(১)
গুণ গুণ গুণ গুণ স্বরে ভ্রমর ভ্রমরী ।।
পিচ্ছ পসারি নাচে মউর মউরী ২
? এমন যুগল নর্ত্তনও তেমন ।।

[হরাউরে রাই মুংঙাইরে শ্যাম রায় ।। ধ্রু
মহৈ মহৈ য়েংনৈ মোমোন মীনোকনৈ ।।
উশা থক্ত উচেক্না শোল্লি শ্যাম জয় কিশোরী ।
গুণ গুণ গুণ গুণ হায়না ঙংলিনে থোইমুনা ।।
মমৈ য়াংকোক শানা নোয়রি রাহোংসু জগোই শাই ।।
অনিমক্কী জগোই তমনা......] ।

(০) লাইন অনি অসিসু মথক্কী অসিগী মথানি । * মুচুকায়নি—নীলাগান পদ্ধতি বৈষ্ণব পদাবলী ৮৪১ (১) মসি করি হায়রিবনো থঙদে, কোবের্কীনি । ২ ময়ূর ময়ূরী—পাঠ ? যেমন দুহার—পাঠ

য়েংগদবা— মথংদা মখাগী অসিমু 'তানচপ' অচৌবদা হোংছনা শকথগনি মছুদি—

ঈশৈ

সূত্র— যেমনি গাই তেমনি বাজে
মধুর মধুর ধ্বনি আরে ॥
(শ্রীরাসমণ্ডলী মাঝে)
(১) গাই খাম্বাজ রাগিণী
তা দৃগ তা দৃগ থো দৃগ দৃগ তা ॥
তালে তালে তাল মিশায়ে ॥ তা দৃগ...
তপনসুতা-তট-পুলিনবনে
কুসুম সুগন্ধ মলয়া পবনে ॥ (১)
বৃক্ষ ডালে শুক শারী
শ্যাম জয় কিশোরী ॥

[ঈশৈগী মতুংইন্না যন্ত্রশুনা য়ৈনরিনে ॥ ধ্রু
[শ্রীরাস মণ্ডলী য়াইদা] ॥
শকলি খাম্বাজ রাগিণী
তাদৃগ তাদৃগ থোদৃগ দৃগ তা থৈ হায়না ॥
মুংশিরবা পুংলোন কয়াদা তাদৃগ তাদৃগ......
কালিন্দী যমুনা মপান নীংথিবা বনদা
লৈনমনা হারবা মেক্তলবা মলয়া লক্তা ॥
উশা থক্তা উচেক্না শোল্লি শ্যাম জয় কিশোরী] ॥

য়েংগদবা— অসুম্না থুরুম্বা পরেং শাবা লোইরগা পুষ্পাঞ্জলি কৎকনি। মখাগী ঈশৈ অসি ছুইতাল—৭ মাত্রা নত্রগা মেল তানচপ

১] মসিগী খুদমনা হৌবদগীনা লোইবা কাওবা অসি চূরাচাঁন্দ মহারাজগী মনা হাক্তক্তা ওজাশিংনা হাপকৎখি।

অনিমক্তা অমদা হেক্তা শকপা য়াই। গোবিন্দগীদি "মেল তানচপ" তা শরুরকই। সূত্রনা হল্লগা গোপীনা খুমগনি।

ঈশৈ

সূত্র— এই পুষ্পাঞ্জলি এমন থাল্লা পুরি
সমর্পিনু তুহারি চরণে॥
প্রতি জন্মে জন্মে জীবনে মরণে
না ছাড়িহ শ্রীচরণে॥

[১] [কৎচরি লৈরাং খুজোক থম্না থম্না
থবায় হুকচাং অনি লোয়নমা॥
মপোক মপোক খুদীং চঙবদা শিবদা
ফংজগে লৈজবা ননাই ওইনা]॥

মথংদা ছন্দ হোংদোক্নুমা মথাগী ঈশৈ অসি শকনি।

একতাল—৪ মাত্রা

ঈশৈ

সূত্র— জয়রে জয়রে রাধা মাধব
বসনালংকৃত বলয়া ঝংকৃত
কঙ্কণ কিঙ্কিনী নুপুর ধ্বনি॥
হেম নীলকান্তি ধররাই কানু সুন্দর
(২) এই পুলিন রাসে॥
ভদ্রসিংহ কবে সে সুখ হেরব
পুনি প্রেক গেল ভেল কাজ॥

[জয় ওইরে জয় ওইরে রাধা মাধব॥
নীংথিবা ফিজোননে ফজবা লৈতেংলে
খুজিনে নাশিনে নপুর খোঙেলনে॥

---

[১] গোপীশিংনা খোঙফম অহুম চঙশিনহনা শ্রীগোবিন্দদা লৈনা খুজোক কৎনগনি। [২] ইহ—পাঠ

সনাদা ভম্ফা থিল্লে কয়াদা নীংথিরে
লাল্লে শ্রীরাসমণ্ডলসে ।।
ফজলরে মমাই চন্দ্রসিংহ ঐদি
পাপকি মিংনা উজবদি] ।।

য়েংগদবা— লৈকংপা লোইরগা পূজারী ব্রাহ্মণনা সখী ভাবতা রাসমণ্ডলদা অতম্মক রাধাগোবিন্দবু কুঞ্জ আরতি কংকনি। সূত্রম্ হোগত্তুনা গোপীগা ঈশৈ শকমিন্নগনি। পুং য়ৈবম্মু মোইথুংনচিংবা যন্ত্র খোংবশিংসু হোগত্তুনা য়াওগনি (ভাবোক পুন্নমকসু কম্ফম থাদোক্তুনা লেপ্পা লেপ্পা আরতি দর্শন তৌগনি। লোইরগা খুরুম্মতুনা ব্রাহ্মণনা শঙ্খজল চাইগনি।

অসুম্না রাস লোইরবদা শ্রীরাধা গোবিন্দবু মন্দিরদা লেংশিন-গনি অমসুং শয়ন আরতি অমুক কংলুগনি। মথং তাবদি মঙ্গলার্তিনচিংবা নিত্যসেবাগী হৌনবী অতম্মক চথগগনি।

আরতি ঈশৈ

আরতি ব্রজরাজ নন্দকুমার
গাওত ব্রজবধু আনন্দ বিথারে।
মদন মুকুর জিনি বদন উজোর-
রস বরিখয়ে কত নয়ন যুগল-।।
কুঙ্কুম বিরাজ অঙ্গে সৌদামিনী ছাটি,
ভাব ভূষন অঙ্গে রস পরিপাটি ।।
চামরে বাতাস করে শ্রীরূপ মঞ্জরী,
দাস বৃন্দাবন আশা তুহার মাধুরী ।।
হরে হরে গাওত ব্রজবধু আনন্দ বিথারে
আরতি ব্রজরাজ নন্দকুমার।

[আরতি কংলি ব্রজরাজ কুমার।
ঈশৈ শকলি গোপীশিংনা হরাউ মথোই কানা ।।
কামগী শকয়েংগুমলি অরংবা মায়থোং থানিনু

মিংস্না থম্বাল অনিমক্কা রস কম্না চেল্লি ।।
শ্রীঅঙ্গদা থোনবা কুঙ্কুম নোংলকী থোংখাঙগুমলি ।
শ্রীঅঙ্গনা থোইনা ফজ্জে ফিজেৎ লৈতেংনা তাংজৈ ।।
চামর থৌগন কংজরি শ্রীরূপমঞ্জরী
মনাই ভাগ্যচন্দ্রনা থৌরাংজৈ দর্শন কংজবা ।।
ঈশৈ শকলি গোপীশিংনা হরাউ মথোই কানা ।
আরতি কংলি ব্রজরাজ কুমার]।।

শ্রী৺গোবিন্দগী বসন্তরাস ক্রম মতাংসিদা লোইরে।

কুঞ্জরাস

কুঞ্জরাস অসিস্ত নিত্যরাস মথল অমগুম্মী হায়না লৌবা য়াই। মসি পদ্মপুরাণগী পাতাল খণ্ডদা য়াওবগা হাইফেং মান্নে। শ্রীমদ্ভাগবতনা হায়বা রাস অসিদি আশ্বিন পূর্ণিমাদা কংফম থোকপনি। হাদ্বু হুমিং অসিদদি শ্রীমদ্ভাগবতনা বর্ণন তৌরিবা মকত্রবা শরদকী অহিং হায়বত্ত মণিপুরদদি নোং য়াম্না তামনবা লৈবাক ওইবদগী. মতম অদু ফাওবদা নোং পুমশেং শেংবা হায়বত্ব পঙন থোক্তবদগী মহারাসকী রস চুপ্পদা ভক্ত-বৈষ্ণব-রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী পুক্কীংদা হুংঙাইত্তবা অমা ফাওহনা মেরা রাফুকপা কার্ত্তিক পূর্ণিমা অসিদা পুথহনা মহারাস কংলম্মী। রায়ুংবা হুমিং অসিস্থ করিস্থ তৌদনা তোকপা হুংঙাইতহনা রাজর্ষিনা কুঞ্জরাস হায়না কৌহনা রাস মথল অমা কংপিরম্বনি।

কুঞ্জরাসতা শাবা ভঙ্গীদি অচৌবতনি। বৃন্দাবন-ভঙ্গী-থুরুম্বা, ভঙ্গী য়াওদে। মরম অহনা অতৈ রাসতগী মসিনা মতম তেনশিন্না শানৈ।

শ্রীগোবিন্দগী কুঞ্জরাস

মেরাগী রায়ুংবা, আশ্বিন পূর্ণিমাদা শ্রী৺গোবিন্দগী কুঞ্জরাস কংলি। মসিগী রাস মথল অসিদি শ্রীগোবিন্দগী অমসুং শ্রীবিজয় গোবিন্দনচিংবা নিংথৌ লাই নহনা থুনক্তদি কনানসু কংনবা উদে। বসন্তরাসতা তৌবগুম মসিদসু কৃষ্ণশাবা য়াওদে, মরমদি শ্রীগোবিন্দগী মূর্ত্তিনা মমং মঙ্গারদা তাংহোইহনা লৈবনা। থুনকী কনাগুম্বনা কংলৌংহনা কংলবদি কৃষ্ণশাবা য়াওগনি অহুম শ্রীকৃষ্ণগী মূর্ত্তি লেঙবিন্দুনা সনা কোপুংদা তৌবগুম তৌরবদি কৃষ্ণশাবা য়াওয়োই।

রাসকী হৌনবী মতুংইন্না অহানবদা নিপাপালানা গৌরচন্দ্রিকা শক্তুমা পূর্ব্বরঙ্গ তৌরগা মথংদা চক্রপীঠদা লেঙখত্তুনা লৈরবা শ্রীরাধা গোবিন্দদা আরতি কৎকনি। অসুন্না আরতি কৎপা লোইরগা পুংনা রাগমগা য়ৈরগা সূত্রধারীনা মৌরী রাগ হৌত্নুনা ঈশৈ শকপা হৌগনি।

মৌরীরাগ

সূত্র— তা রি ত ন ত না রি রি রি।
তা রি রি রি রি রি
রি ত না রি রি রি রি রি রি রি
তা রি ন ত না
তা রি ত ন ত না রি রি রি
তা রি রি রি রি রি
রি ত না রি রি রি রি রি রি রি ॥

ধ্যান— ময়ূরকেকা শ্রবণোল্লসন্তী
(বাহন) ময়ূরিকাং বীক্ষ্যমুদং বহন্তী
ময়ূরকর্ণাভরণং দধানা
মায়ুরিকা সা কথিতা রসজ্ঞৈঃ॥
কৃষ্ণরস সংগীত সংগ্রহঃ

[রাহোং মখোন তাবদা পেঞ্জবী
রাহোংবু উবতদসু হন্নাউবী
রাহোং মতুনা মাপ লৈতেংনবী
অখঙবনা হায় মহুদ মায়ুরিকানি] ॥

মথংদা মখাগী বৃন্দাবন বর্ণন অসি শক্তুনা রাগ তাগনি মহুদি—

তিনতালমচা

সূত্র— মরি কিয়ে অপরূপ
মধুর শ্রীবৃন্দাবন শোভা ॥
বিকসিত পুষ্পগণ হে ॥ মধুর শ্রী
মধুর শ্রীবৃন্দাবনে

জয় জয় রাধা কৃষ্ণ বলি
নব নব তরুগণ
নবীন লতিকাগণ হে
অতি সুশোভন মনলোভা ।।
মরিরি নব নব ।।

[য়েংউ কয়া নীংখিজরি, ফজরি শ্রীবৃন্দাবন অসে
লৈনা য়োমলি উরী রারীশিং ।। ফজরি শ্রীবৃন্দাবন
নীংথিবা শ্রীবৃন্দাবনদা জয় ওইরি শ্রীরাধা কৃষ্ণনা
পুক্নীং হুরি ইনৌ নৌরি য়েংবদা পুমণুম গুম্ফংলিনে
পুমণান ঙাল্লি য়েংউ মায়থোং থানিনসে ।।
তানৌ হেনৌ পুক্নীং হুরি] ।।

মসিগী মথংদা খুল্লকী নিংথৌলাইশিংগীদি কৃষ্ণশাবা য়াওবনিনা শূত্রনা কৃষ্ণ অভিসার শরুনি। মহুদি—

একতাল মাত্রা ৮

তবহি গমন করু নাগর কানু।
রসিক শিরোমণি মুরুলী দধান ।। মুরুলী দধান
গজরাজ বঞ্চিত গমন মনোহর
যুবতিবৃন্দ মন লোভা ।। আ
ভ্রমি ভ্রমি চকিত বিপিনমবলোকন
রাস বিহার তহি করু মনলোভা ।।

চালি তাল

পদগতি নূপুর রুণু ঝুনু বাজত ।। ধ্রু
কটিতট কিঙ্কিণী জাল ।।
মণিময় ভূষণ ঝলমল কারণ
মালতী বকুল জয় বনমালী ।।
ঐছন চলতহি পাওল কুঞ্জহি ।। এছন।
শ্যামর নটবর রায় পাওল কুঞ্জহি ।।
মুরুলী রন্ধ্রে কৃত চালন-কর-যুগ
মোহিত-মোহন রায়। পাওল কুঞ্জহি ।। ঐছন

[চৎলকলে নিকুঞ্জ ভুমনা নাগর কানু ।
রসগী হৌকম ওইবা মুরুলী খোনবা ॥
(শ্যাম শকহেনবা)
শামু লমশা ওমজবা শারুং মীংখিজবা
মথোনকাবীশিংগী পুক্লীং হুবা ॥ আ
চৎনা চৎনা ইথৌ লাংলি লৈনা লৈনা কোয়না য়েংলি
পুক্লীং হুরবা রাস শামগে খল্লকলে ॥
চালিতাল
খোঙথাং থৃদীং নূপুরনা রুণু ঝুণু খীংলি ॥ ঐ
কিনি কিনি কিঙ্কীনা খাঙদা ॥
ঈরং লংলি লৈতেংনা মণিতনা থাম্লবা
ওক্তা খোল্লি মালতী কোয়না ওংনা তাগৈ
লৈনম কংবদা ভাওনৈ ককভাওনরি খোইমুন। ॥
অসুম্বা লেঙলকপনা য়ৌরকলে কুঞ্জদা ।
নটবর শ্যাম রাইনা ॥
মুরুলী খোল্লি,
মীংথিরবা কাঞ্চীগী অরংপা ক্ষনা
কৌরকলে বিনোদিনী রাই ॥ অসুম্বা।

শ্রীকৃষ্ণনা কুঞ্জ য়োরগা ভর্দীদা লেপ্লবদা মুরুলী নাদ তৌগনি ।
মথংদা গোপী অভিসার লাকনি ।

য়েংগদবা— শ্রীগোবিন্দগীদি কৃষ্ণশাবঃ য়ওদবনা কৃষ্ণ অভিসারগী ঈশৈ শক্তে । মথক্তা উৎলিবসিদি খুল্লক্কী নিংথৌ শাইশিংগীনি । গোবিন্দগীদদি রাগ তাবা হেক লোইবগা মুরুলীনায় হেল্লমক তৌরগনি । মথংদা গোপী অভিসার অহুমক শরণহনি ।

গোপী অভিসারগী ঈশৈদি বসন্তরাসকী খণ্ডদা অহুমথিবা অহুম অহুমক তৌগনি লমায় ও—ঙ্গা লৈরে ।'

গোপীনা কৃষ্ণগী নাক য়োৎরুবদা বসন্ত রাসক্রমদা তাকখিবগা মায়না লৈহ্ননা মখাগী প্রার্থনা অসি শরুনি মহুদি—

ছাড়া

গোপী— প্রাণবন্ধু শুন শুন
পাণবন্ধু হে রসিক নাগর।।
প্রাণবন্ধু গোকুলচন্দ্র
গোপীকার প্রাণ।।
প্রসীদ গোপীজন প্রাণবন্ধু
হে দীনদয়াল করুণৈক সি ।

[চানবীয়ু হে থরায়গী মপু
রসিক নাগর হে চায়থোইবা।
চঙজরি থুয়াদা হে চানবীহৈবা
কৃপা মরিক নিজৈ হে কৃপাসিন্ধু]

মথংদা সূত্রনা মখাগী ঈশৈ অসি শরুলিঙৈদা গোপীনা মখোঙ শিংনা শিংনা চত্তুনা মণ্ডলী সাজন তৌগনি। শ্রীরাধা গোবিন্দবু য়ায়দা থয়া অকোয়বদা মথং মনাক্ত নাইনা লাইদা ওনশিন্দুনা লেপকনি।

ঈশৈ (ছাড়া)

সূত্র- গোপীর করুণা শুনি শ্যাম ব্রজমণি
আরম্ভিলা রাসলীলা মণ্ডলী সাজায়।।

[গোপীনা হায়জবা নোনজবা মতোদা
মণ্ডলী শেমহুনা রাসলীলা হৌরে।
হরাউ মখোই কানা শ্রীগোবিন্দনা
লীকয়ান লক্কী মণিগুমনা গোপীলক্কা ভাল্লে]।।

মথংদা মখাগী ঈশৈ অসি গোপীনা অহানবা পদ অমা শরুগা। সূত্রনা ক্তনা শরুনি অমসুং গোপীনা অমুক হয়া থুমহুনা চীন্দা ঈশৈ শরু কা জগোইনা মোত তৌগনি। অসুম্না ঈশৈ অসি হুইত্তাল, মেল; নচপ অমসুং চালি তালদা মথং মথং হোংহুনা শরুনি মহুদি—

দুইতাল—৭ মাত্রা

সূত্র— সখি হে রাই কাহ্নু বিহরই রাসে
প্রতি তরু লতা তলে রসের হিল্লোল ফিরে
গান-নৃত্য হাস-পরিহাসে ॥ ০ ॥

[য়েংউ সখি—
রাই কাহ্নু অনিগী জগোইসে ॥
হৈপাল লৈপাল খূনীংমক্তা
রসগী ঈথক হৌরিবা
ঈশৈ জগোই মীনোক মীচাম্না] ।

মেল-৭ মাত্রা

ত্র-রাসমণ্ডল মদ সখি
অবনিত তব বনমাহে *
করস কর জোড়ে জোড়ে
গোপিগণ থোরে থোরে ॥
বিচমোহন রাজিত সব
কোটি কাম আরে আরে ॥
ললিতাতি সঙ্গে বিশাখাদি রঙ্গে
শ্যাম সনে রাইত বিরাজিছে ॥

[(শ্রী)রাসমণ্ডল পূমণ্ডাল ঙাল্লে
অনিমক্কী মায়থোং মঙাল্লা ॥
ময়াইকাবী গোপীশিংনা
শারি জগোই মথোই কানা ॥
কামগী মপুনা ঙাল্লিয়ে য়েংউ
লাকথাঙলক্কী মণিগুমনা ।
ললিতাসখী বিশাখানচিংবী
শকহেনবীশিংনা ইকোয় কোয়রি] ॥

* অবনিতল বনমাহে ?

তানচপ

একতাল—৪ মাত্রা

সূত্র— ব্রজরাজকি নন্দন রাস রসমে
নাচত মন মোহনি।
সঙ্গে বৃষভানু দুলারী
সপ্তস্বর টানি টানি
মধুরং রস গায়ে
সুখে বৃন্দাবন মাঝে॥

[নটবর শ্রীগোবিন্দ কয়া নীংথিরি
গোপীগী পুক্নীং শুন্নংলি॥
শারি রাসেশ্বরী রাধিকা
শকলি ঈশে থোংনা মেঙনা
খোল্লীক খোম্বাঙ শুনা
ঈরোল্ননা যন্ত্র মখোলগা]॥

চালি

তিনতাল মেল— (চতুরস্র ত্রিপুট)

একতাল—৮ মাত্রা

সূত্র— রাধাকৃষ্ণ সুমাধুরী
এছে গায়ে উচ্চেস্বরে॥ ধ্রু
সকল আনন্দ সার
কি দিব উপমা তার।

[খোম্বাঙ শুনা ঈশৈ শকলি
মেঙনা নোনা যন্ত্রনা খোংলি॥ ধ্রু
সুরগী ঈপোম হৌরি য়েংউ
কয়া নীংথিজরি সখি॥ খোম্বাঙ
মুংঙাইবগী পান্দম লৈতে
হরাউবগী লোইবা নাইদে]॥

(১) ভঙ্গি পরেং

অসুম্না চালি শাবা লোইরগা অচোৱা ভঙ্গীপরেং শাবা হৌরগনি, সুত্রতনা ঈশৈ শক্কনি। গোপীদি ঈশৈ শকলোই, জগোই-তমক শাগনি। রাসকী মতুংদা চীকপা, লেম্বা ফজবদি ভঙ্গীগী মতাং অসিতনি। ভঙ্গীগী ঈশৈনচিংবা ক্রমদি লাইরিক অসিগী লমায় ১২-২০ কাওবা য়েংউ।

অসুম্না ভঙ্গী শাবা লোইরগা থুল্লক্তদি কৃষ্ণনর্ত্তন তাগনি। গোবিন্দগীদি য়াওদে। কৃষ্ণনর্ত্তনগী ঈশৈ য়াম্না লৈ; মতুগী মতুংদা ওজা ঝুলন মচাগী ঈশৈ অমা মখাদা লৌখৎলি। কৃষ্ণজগোই শারিডৈদদি গোপী পুন্নমক ফমতুনা লৈরগা সুত্রগা গোপীগা অওক অথোং তৌতুনা ঈশৈ শক্লগনি। থায়নদি নিত্যরাসতা শক্লবা কৃষ্ণনর্ত্তনগী ঈশৈ অমা শক্লরম্মী মতদি—

কৃষ্ণনর্ত্তন

(২) দ্রিমিকিটি দ্রিমিদা বাজরে।। ধ্রু
একি ভাল বাজেরে ॥
যুথেশ্বরী প্যারী বিশাখা। ভাল বাজেরে
হরষ পরশ সরস হাস
নয়ন সরস রতি বিলাস ॥
চঞ্চল পট্ট অঞ্চল
মণি কুণ্ডল নাচে ফুল ॥
তালক মণি হারক শশী
ঝিলি মিলি দপি দারু কলসী ॥
মঞ্জু স্মৃতি পুঞ্জ পুঞ্জ
গুঞ্জরে অলিকুল।

---

(১) কুঞ্জরাসতদি বৃন্দাবন ভঙ্গী পরেংগা থুম্বা পরেংগা অনিমক য়াওদে।
(২) মসিগী পরেং অসি শকপা লোইরগা জাত অলঙ্কার হাপ্তনা শক্কনি।

(মদন মোহন গলে মালা দোলে
না দোলাতে আপনি দোলে।।
যুবতি প্রাণ হরিয়া নিলে।। মদন মোহন)
তালক মণিহারক শশী
ঝিলিমিলি দপি দারুকলসী।।
মঞ্জুয়তি পুঞ্জ পুঞ্জ
গুঞ্জরে অলিকুল।।
টা টা থৈ থৈ নাদ নূপুর
গান মান তাল মধুর
ধ্বনি শুনি শিবরামদাস
অন্তরে আনন্দভরা।।
দ্রিমি কিটি দ্রিমিদা বাজেরে।। পদকল্পতরু

[দ্রিমিকিটি দ্রিমিদা, য়ৈরিনে।। ধ্রু
য়ৈরি কয়া সুংশিনা।।
য়ুথেশ্বরী সখি বিশাখানা।। কয়া সুংশিনা
ফজবা জগোইনে মোমোন মীনোকনে
মিৎয়েংনে নাকেনে কয়া নীংথিরি।।
ফিজেৎ নৈতেংনা হাইবনে
নাপ কুণ্ডলনা লংবনে।।
তালনা পাম্বোমদা ওক্তা লীকথাওনা
মালতী পরেংনা হাইরি থবাক্তা।।
ককওাওনরি মপৈ মপৈ খোইমুনা ওংলরি।।
(শ্রীগোবিন্দগী ওক্তা মালানা হাইরি
হাইরুদনা মথন্তা হাইজৈ।।
ব্রজগোপী পুক্নীং শুম্মংথরে।। শ্রীগোবিন্দগী)

ব্রেকেট মমুংগী শরূক অসি ওজাশিংনা শেমজনা কোম্না হাপচিনবা মওঙ ওইনা ভৌই।

তালনা পাম্বোমদা ঙক্লো লীকথাঙনা
মালতী পরেংনা হাইরি থবাক্লো ।।
ককঙাওনরি মপৈ মপৈ খোইমুনা ঙংজরি ।।
টা টা থৈ থৈ য়ৈরি পুংলোম্না
শকলি ঈশৈ বীণা লোয়ননা ।।
খাংলি খোঙদা নূপুরনা
রুণু ঝুনু রুণু হায়না ।
দ্রিমিকিটি দ্রিমিদা য়ৈরিনে] ।।

মথক্কী অসিনা থায়নগীনি। হুজিক্কি ওজা ঝুলন মচাগী অসিনা তৌনরে মত্থদি—

ঈশৈ

(দুইতাল—৮ মাত্রা)

সূত্র- যুবতি মনোহর ললিত বিহার
নৃত্যতি নটবর রাজকুমার ।। ধ্রু
দৃমিকি দৃমিকি ঘন ঘোরমৃদঙ্গ
থমকি থমকি গতি চরণ বিভোর ।। যুবতি
মৃদুল করে বরতাণ্ডব ছান্দে
চরণে নূপুর রুণু ঝুনু বাজে ।। মৃদুল
নাচত নটিনী সমাজ মাঝে সুবিরাজরে
রাজকি কুঙর কাহ্নাই নটবর রাজরে ।। নাচত
যুগ পদ চালনি মদ চল খঞ্জনী ।। রাজকি
নটীনী সমাজে বিরাজে নটবররাজ
বীণ রবাব পাখোয়াজ বিবিধ যন্ত্র বাজে ।। যুগ

[গোগী পুক্নীং হুবা শাথেক নীংথিজবা
জগোই শারি নটবর শ্রীরাসবিহারী ।। ধ্রু
দৃমিকি দৃমিকি হায়না য়ৈরি পুংলোম্না
নীংথিবা খোঙথাংদা খীংলি মণি নূপুরনা ।।

অঙকপা তাণ্ডব জগোইগী ছন্দদা
খীংলি খোঙদা নূপুরনা রুণুঝুনু হায়না ॥ অঙকপা
জগোইদা ঙকলি জগোই হৈবীশিং, শুম্বাংলি
উবদা ঙকখরে থাস্ত চপ লেপখরে আতিয়াদা। জগোইদা
নীংথিজবা খোঙথাংনি লেমনা ফজে শাজংনা ॥ উবদা
গোপীশিংগী লক্তা ভাল্লি নটবর-রাজনা
বীণা রবাব পাখোয়াজ যন্ত্রশুনা য়ৈরি ॥ নীংথিজবা]

মৃথংদা চারতাল অমা য়ৈত্নুনা গোপী পুন্নমক্না ঈশৈগী মোত তৌনা জগোই শাগনি। সূত্র গোপী অনিমক অমুক অমুক ঈশৈ রুগনি। লোৌখৎলিবা ঈশৈ অসি ওজা ঝুলনমচাগীনি। ওজাগী ঈশৈ াতৈসু য়ান্না লৈ। খুৎলোয়বা অমা লোৌখৎপত্তনি মত্নদি—

ঈশৈ

শ্রীরাধা গোবিন্দ সঙ্গে নাচত রঙ্গে
শ্রীরাস মণ্ডলী মাঝে ॥
গাওত গীত সপ্তস্বর তিনগ্রাম ॥
বিবিধ যন্ত্র বাজেরে ॥
গুঞ্জত গুণ গুণ ভ্রমরা
ময়ুরী ঘেরি ঘেরি নাচে ॥
(মধুলোভে অলিকুম ঝাঁকে ঝাঁকে)
আজুক রাত্রি রাধা মাধব জুড়ি ॥ আজুক
ডালে বসি শুকশারী জয়রে কিশোরী
যাইরে বলিহারি যায়, সব বন ফুলিয়ে ॥
আজুক রাত্রি ॥

[শ্রীরাধা গোবিন্দ (না) ভাল্লিয়ে য়েংউ
শ্রীরাসমণ্ডলী য়াইদা ॥
শকলি ঈশৈ সপ্তস্বর তিন গ্রামদা
খোংলিনে যন্ত্র শুংশিনা ॥

খোইমুনা গুণ গুণ ঙংলি
　　রাহোংনা নোয়বি কেনা কেনা ॥
(লৈহৌ পান্বা খোইমুশিংনা মপৈ মপৈ)
পূমঙান ঙাল্লি রাধা মাধব অনিনা ॥ পূমঙান
উশা থক্তা শুকশারী শ্যাম জয় কিশোরী
খোংলি য়েংনা পেন্না পেন্না
ইনিল নিল্লি কুঞ্জবন ॥ পূমঙান]

গোপী পুন্নমক ফমজুনা অমুক লৈরগনি অদুগা মথংদা রাধা নর্ত্তন তাগনি। সূত্র গোপী অনিমকনা ঈশৈ শকমিন্নগনি।

রাধা-নর্ত্তন

সূত্র—নাচত রাধা বিধুমুখী
　　অঙ্গ বিভঙ্গিমা হেরই কিনু শোভা ॥ ধ্রু
　　আনন্দ হিল্লোল ভুবন মগন
　　ধরণী ধরয়ে শোভা ॥
　　খপুর কপূর সহিত রহিত (রোহিত ?)
　　দশন বসন সাজে
　　প্রাবল আবলি বেঢ়ল বান্ধুলী
　　অরুণ রক্তমা অঙ্গে বিরাজিত ॥
　　[জগোই শারি শ্রীরাধিকা
　　হকচাং শাগৎকা ফজবি কযাদা ॥ ধ্রু
　　লুংঙাইবা ইপোগদা তাউরি 'পুম্বা
　　মহৈ য়াল্লে বৃন্দাবন ॥
　　কুচুনা নোংথাঙনি মাগথোং থানিননি
　　শামু শাজং ঙমজবী
　　অমুবা শম্বুন্দা অঙৌবা শমজিরৈ
　　কীজোন্না শংলেন শুক্তা মোতিমালা] ॥

একতাল অথুবা

কুন্তল বালিকা মল্লিকা কলিকা॥
চন্দন বিন্দু পূর্ণিমা ইন্দু
সিন্দূর মিহির পাশে
আহা মরি কিবা শোভা (২)॥

[শকহেনবী তনৌবী তাইবঙ শুম্বাংপী॥ ধ্রু
লাইপক্কী চন্দন্না পূর্ণিমা থাগুম্মী
সিন্দুরনা ঙাল্লি ময়াইদা॥
য়েংউ য়েংউ কয়া নীংথিবা
য়েংবদা পুক্নীং হুরি॥]

মসিগী মথংদা পুংলোন জগোই শাগনি। মসি শাবা লোইরগা থাগী সংস্কৃত শ্লোক অসি পুংলোন কোন্ননা ছাড়াদা সুত্রনা থীগনি। অম অসিদদি রাধানা মশাগী ভঙ্গীদা অহুম্মক লেপ্পুনা লৈগনি মহুদি—

কা কৃষ্ণস্য প্রণয়জনিভূঃ শ্রীমতী রাধিকৈকা
কাস্য প্রেয়স্যনুপমগুণা রাধিকৈকা নচান্যা।
জৈহ্ম্যং কেশেদৃশি তরলতা নিষ্ঠুরত্বং কুচেঽস্যা
বাঞ্ছাপূর্ত্যৈ প্রভবতি সদামুষ্য রাধৈব নান্যা॥১২২
গোবিন্দলীঃ মৃতঃ ১১ শ সর্গঃ ৬৩৭-৮ পৃঃ

অর্থ— শ্রীকৃষ্ণগী প্রণয় হৌরকফম অহু কনানো! ব্রাহং অসিগী উথুমদি শ্রীমতীরাধিকা মথন্তনি। শ্রীকৃষ্ণগী চান্নথোইবীদি কনানো? সিগী পাউথুমন্নু চাংদমনিঙাই লৈতবী গুণনা মাগী ওইবী অহুগুম্বী রাধিকাতনি। কোক্কী শম নত্তনা থম্মোইদি তরু তরুবী, মিৎয়েং াংপী (ঈথক ঈরাং য়াওদবী), অকনবা থবাক ঙানফমগী শরুক হতং নত্তনা হুংশি হৈতবা মতৌবু মশক খঙজদবী অহুগুম্বী শ্রীরাধাতনা কৃষ্ণগী নীংবা থুংহনবা ঙম্মী, অতৈ অমনদি থক ওইদে।

মসিগী থীবা লোইরগা রাধানা চালি জগোই শাগনি. সূত্রনা মখাগী ঈশৈ অসি শক্কনি মত্থদি—

চালি ঈশৈ

সূত্র— বীণ পরিবাদিনী চরণে নূপুর ধ্বনি।। ধ্রু
রতিরসে পুলকিনী জগমোহিনী।।
হায় হায় বীণ পরিবাদিনী।।
বৃষভানু নন্দিনী জগজন মোহিনী
দাস রঘুনাথ পহুঁ মনোহারী।।
বীণ পরিবাদিনী।।

[বীণা খোঞ্জেল ঙমজবী নূপুরনা খোঙদা খীংলি।।ধ্রু
হরাউ মথোই কাজবীনি তাইবঙ শুম্নাৎপীনি।।
খীংলি বীণাখোঞ্জেল ঙমজবী।
বৃষভানুনা পোকপী তাইবঙ পূক্নীং শুম্নাৎপী
য়েংজে রঘুনাথনা পূক্নীং হকচাং মুংবঙৈ।।
বীণা খোঞ্জেল ঙমজবী]।।

য়েংগদবা— মথক্কী কৃষ্ণ নর্ত্তনদগীনা রাধা নর্ত্তন লোইবা ফাওবা অসিদি খুল্লক্কীনি। মখাগী অসিদগীদি লোইবা ফাওবদা গোবিন্দগীগা খুল্লকীগা অতুম্মক মান্নরগনি। সূত্রনা হল্লগা গোপীনা খুমতনা মখাগী ঈশৈ অসিদা মোত তৌত্তনা জগোই শাগনি মত্থদি—

ঈশৈ

সূত্র- নব নায়রী নব নায়র
নব নৌতুন নব নেহা।।
আঁখি আঁখি নিমিখে নিমিখে
(১) বিচ্ছুরল নিজদেহা।।
নৌতুন গণ নৌতুন বন
নৌতুন সখী গানে।।

(১) বিচ্ছুরণ ?—মশানা মশাবু কাউনজবা

তা দৃগো তা দৃগো
থো দৃগো থো দৃগো
ফুকরয়ে সখী গায়ে ॥
নৌতূন রস কেলি রভস
নৌতূন গতি তালে ॥
তা দৃমি তাদৃমি থোদৃমি থোদৃমি
বাওলয়ে সখী ভালে ॥
চঞ্চল মণি কুণ্ডল
চল চঞ্চল পট্টবাস ॥
দুঁহে দুঁহা কর ধরিয়া
(১) নাচে হেরত অনন্তদাস ॥

[কয়া নীংথিরি কয়া ফজরি
কয়া নৌজরি কয়া পেম্নরি ॥
মিংকুপ খুদীং তাঞ্জা থুদীং
মশানা মশাবু কাউনরি ॥
নহা ওইবীশিং নৌজরিবীশিং
তনৌ তহেন থোগজ্ঞে।
তা দৃগো তা দৃগো
থো দৃগো থো দৃগো
লাউনরক্লি চীন্দা সখিশিংনা ॥
অনৌবা ঈরাং অনৌবা শাথেক
অনৌবা নীংথিবা তাম্বানা কয়া
তা দৃমি তাদৃমি থোদৃমি থোদৃমি
য়ৈরি পুংলোন সখিশিংনা ॥

---

(১) মথক্কী জগোই অসিদা হঞ্জিন হঞ্জিন য়ৈগদবা পুংলোন্দি—
খিং তেন ধিন ঘিম্ন গর ধেন খিং তঃ
খিন তেন খিন খিন ত তেন তা তাঃ ॥

নাপদা লংলি কুণ্ডলনা
ফীজি ফীনাস্থ য়েংউ হাইরি ।।
খুৎকা খুংকা পায়নৈ হরাউনা
জগোই শামিন্নৈ লৈনা কোয়না ।।

মসিগী মথংদা চালি তালদা চালি জগোই শারগনি, অহানবদা মথক্কী 'চঞ্চল মণি-কুণ্ডল, চল চঞ্চল পট্টাবাস' হায়বা পদ অসিনা অমুক হন্না শক্লগা মথাগী অসি শমথন্নকনি মতুদি—

সূত্র— হাসত মনি-নূপুর
চরণে শুনিতে উল্লাস
ইন্দ্রনীলমণি হেম জড়াওল
ঐছন (ঐছন) করত বিলাস
দুঁহে দুহুঁ কর ধরিয়া
নাচে হেরত অনন্ত-দাস ॥

[(নাপদা লংলি কুণ্ডলনা
ফীজি ফীনাস্থ হাইরি)।
নূপুরনা খীংলি খোঙদা
তাবদা হরাউ তুজুংলি ।।
সনা থক্তা তম্ফা থিল্লে (য়েৎনরেনে)
য়েংউনে য়েংউনে কয়াদ ফজবা ।। নূপুরনা
খুৎকা খুৎকা পায়নৈ লৈনৈ
য়েংজরি পেনজরি অনন্তদাসনা ।।]

মথংদা রাজমেল য়ৈহুনা মথাগী ঈশৈ অসিদা জগোইনা মোত্ত তৌগনি মতুদি—

ঈশৈ

(রাজ মেল, তাল্হা ২ - মাত্রা ৭)
শ্যাম নৃত্যতি গায়তি বাদয়তে।
সহ রাধিকয়া পুলিন রমতে ।।
রাধা মাধব, ইহ রাধা মাধব ।। কৃষ্ণরস-সংগীত

[জগোই শারি শ্যাম শৈহেকলি তাম্বারি
লোয়ননা রাধিকা কালিন্দী মপান্দা ॥
কয়া নীংথিরি, পেনবা লৈত্তে য়েংবদা ॥
জগোঈ শারি]

মথংদা মথাগী অসিনা 'স্থানচপ' তালদা হোংহুনা অমুক শমথগনি মহুদি—

ঈশৈ

একতাল মাত্রা ৪

(১) প্রফুল্লিত কুঞ্জে মধুকর গুঞ্জে
সুখদ যমুনাক তীরে ॥
যুবতি রমনী সুখদ সুখদয়
মন্দ মলয় সমীরে ॥
(শ্যাম নৃত্যতি)

[পোমশাৎনবা লৈরাংদা
খোইমুশিংনা ঙংলি
হুংঙাইরবা যমুনা মপান্দা ॥
শায়রি গোবিন্দ
শকহেনবী গোপীশিংগা
লিরি হুমলি মলয়ানা ।

অসি কাওবা শরুগা মথক্কী 'শ্যাম নৃত্যতি' হায়বহু অমুক হৱিজুনা শরুগা থারগনি । মথংদা চালি জগোই শাহুনা মথাগী রূপপ্রার্থনা অসি শরুনি মহুদি—

ঈশৈ

সূত্র, গোপী— শ্যাম রূপ গো……… অসিনচিংবা
(বসন্ত রাসক্রমদা ভাকথে য়েংউ ।)

পুষ্পাঞ্জলি

মথংদা মেল তানচপ য়ৈহুনা গোপীশিংনা খুত্তা লৈ পায়রগা শ্রীরাধা গোবিন্দদা লৈ হুঞ্জিন্দুনা কৎকনি। খুল্লকীনা কৃষ্ণ থৌরাগী অনিমক্কা তঙ্গীদা লেপ্তুনা লৈরগা গোপীনা কোয়না লৈগনি। খুল্লকীনা রাধাকৃষ্ণনা মথা ওন্না লৈগনি, গোবিন্দগীনা নোংপোক ওন্না লেঙশিন্দুনা লৈগনি।

ঈশৈ

সূত্র, গোপী— এই পুষ্পাঞ্জলি......... অসিনচিংবা

বসন্তরাস ক্রমদা তাকথ্রে চপ মান্নগনি। মথংদা লাকপা হৌনব অমসুং আরতিনচিংবসু বসন্তরসকা অছুম্মক চপমান্নরগনি।

খুল্লকা কৃষ্ণ-থৌরাগী শাবা য়াওদবদনা আরতি অসি ললিতান (মকোকচিংবী) তৌগনি।

শ্রীগোবিন্দগী কুঞ্জরাস ক্রম মতাং অসিদা লোইরে।

পূংলোন— ধিন তেন তা তাং
ধেন ঘিন্ন ধেন ধিন
তেন তা: তাং ধেন।

ঞন হুঞ্জিন য়ৈগনি, পূংলোনসু হাপকনি।

নিত্যরাস

(নর্ত্তনরাস)

মসিগী রাস মখল অসি শ্রী৺গোবিন্দগীদি কত্তে। মৈতৈ জগোই অহানবা শরক লামায় ৪৭ তা রাসকী ক্রম ইবা মতাংদা চাউরাকপা মরম খরা হান্নবা হায়থ্রে। মসি বসন্তরাস, কুঞ্জরাস অমসুং মহারাস অহুম্মক অসি য়েংলগা স্যার চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজ সনা হাক্তক্তা অহানবা কংখিবনি।

গোবিন্দ-লীলা-মৃতদগী ঈশৈ লৌখত্তুনা অয়াম্বা মকমদা শীজিন্নৈ। পদাবলীদগীসু য়াম্না য়াওই অদুগা ঐখোয়গী ওজাশিংনা লাইরিক য়েংলগা শেম্বসু য়াম্না য়াওরি। রাস অসি শেমখিবা ওজাশিংদি সনা চন্দ্রহাস, থোকচাউ মরৈবা অমসুং বামন থৌরানীশাবীনচিংবা মতম অদুগী পুং-ঈশৈ তৌবা অকাওবা ওজাশিংনা অয়াম্বা তিম্নহুনা তৌখিবনি। শ্রীযুৎ মহারাজমকসু বাঙ্গলা লোন নীংথিনা হৈবনা মরম ওইহুনা তাথোক তাশিন তৌবদা য়াওরমগনি থাজনৈ। শ্রীযুৎ অসিগী সনা হাক্তক্তা রাসগী কজথ্রবা মতাং অনি অমসু শেমহুনা হাপ্‌কংখি মহুদি, বৃন্দাবন ভঙ্গী অমসুং খুরুম্বা ভঙ্গী— পরেং অনি অসিনি।

নিত্যরাস অসি মতম পূন্নমক্তা, ঋতু পূন্নমক্তা শান্নবা য়ারবসু মক ওইনা অয়াম্বা মতমদা বসন্তগী লৈ-সু মরাং কায়না ফংলিউ মতমতদা কংনবনা নম্মী।

আদি পুরাণদা নিত্যরাসকী মরম মপুং ওইনা তাকপা থেংনৈ।

জগোই অসিগী ক্রম মথং মনাউদি—

নিপা পালা শকপা লোইরগা সূত্রনা আলপনা রাগ হৌরগা মথংদা বৃন্দাবন বর্ণন শক্তনা গুরুবন্দনা অমদি বৈষ্ণব বন্দনা তাগনি।

মথংদা কৃষ্ণরূপ প্রার্থনা অমা অমুক শরুগা কৃষ্ণগী অভিসার তাগনি।

কুঞ্জ য়োরগা কৃষ্ণগা বৃন্দা সখিগা উম্নহুনা বৃন্দানা লৈ থিবা, কৃষ্ণনা শয্যা শেম্বা, বেণুনাদ তৌহুনা গোপীশিংবু সঙ্কেতনা কৌবা অসিন-চিংবা তৌগনি।

মথংদা গোপী অভিসার লাকনি। মতুংদা নিভৃত-নিকুঞ্জবনদা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী সম্ভোগ অমদি অষ্ট-সখিগী সেবানচিংবা মথং মথং শরুগা যুগল রূপ প্রার্থনা অমা অমুক গোপীগা অওক অথোং শকমিন্নগনি। বৃন্দানা রাসকী সাজন তৌরগা মণ্ডলী শেমহুনা কোয়না লেপ্লগা গোপীনা কেদার রাগ হৌগনি। মথংদা তিনতাল মচা অমা য়ৈহুনা মহুগা কোন্নবা ঈশৈগী মোত্ত জগোইনা তৌগনি। মথংদা চালি অফৈবী শারগা মথং তারকপদা তোঙান তোঙানবা তালগী জগোই ঈশৈ অমুক তাগনি।

মথংদা ভঙ্গী অচৌবা শাগনি, কৃষ্ণ নর্ত্তন তৌগনি। গোপীনা চারতালদা জগোই অমা শাহুনা মরক থল্লগা রাধা নর্ত্তন অমুক তাগনি। রাধা নর্ত্তন লোইরগা ললিতা নর্ত্তন তৌগনি। ওল্লগনা মতাং অসিদা বিশাখানচিংবী লুচিংবী সখি অতৈসু নায়তোম জগোই কৎনবা য়াই।

অসুম তৌনা সখি-নর্ত্তন লোইরগা মথংদা বৃন্দাবন ভঙ্গীপরেং শাগনি। মথংদা খুরুম্বা-ভঙ্গী পরেং অমুক শারগা মতুংদা হল্লগা গোপীনা খুমহুনা ঈশৈ অমা শরুগা প্রার্থনা তৌগনি। অরোইবদা রাধা কৃষ্ণদা পুষ্পাঞ্জলি কৎলগা ললিতানা আরত্তি কৎতুনা মথংদা গৃহ গমন শরুগা লোইশিনগনি।

ইরিবা মৈতৈলোনগী ক্রম অসিদা হান্নগী 'ঈশৈগী' সুর ছন্দ লৌদবসু থরা য়াওরি। হান্নগীনা মথক্তা বাঙ্গলাগী পরেং অমমম উৎচরি

নিত্যরাস

অতৈ রাসতা তৌবগুম নিপাপালানা গৌরচন্দ্র শক্তুনা পুর্ব্বরঙ্গ তৌবগা জগোই ওজানা পুংগী রাগমচা হৌগনি। সূত্রনা আলাপনা রাগ হৌগনি মহুদি—

সূত্র- * তা ন ন না
তথ নন নননা ম ন না
তা ন ন না ॥ ঘর
তা ন ন ন ন না
তা ন ন না
তা তা ন ন না ॥ পঞ্চম
তা ন ন ন ন না
তা তা ন ন না
তাতা তথ নন রিনা রি নুম্ ॥ দীর্ঘ

আলাপ অসি মথং মনাউ কাযদনা শক্লগা দীর্ঘ লোইরবদা 'ঘর' মসি অমুক লোইবা ফাওবা হজিন্না শক্কনি। মথংদা মখাগী অসি ছাড়াদা মমুক শক্কনি মহুদি—

বৃন্দাবন বর্ণন

ছাড়া- (মরিকিয়ে অপরূপ বৃন্দাবন শোভা)

সূত্র— কয়া ফজে নীংথিববা বৃন্দাবন অসে,
ঋতু তরুক্লা থোগনবা অরাংপা মশক খণ্ডনবা
মুণি ঋষি কয়াগী মিত্তানজক্ষমনি।

মথংদা মখাগী অসি তাল য়ৈহনা শমথগনি মহুদি—

ঊশৈ

চতুরস্র জাতি একতাল

সূত্র- (কি মাধুরী বৃন্দাবন শোভারে)

---

* আলাপ ছায়বসি মশক নাইবা রাগ অমা নত্তবনা মসিগী বাহন (ধ্যান) লৈতে। লাইগুরুশিংনা অসুম্না চংনরকই।

ছাড়া

় ফজৈ বৃন্দাবনগী নীংথিবসে ।।

হৈনম লৈনমনা থল্লি

ঋতু তরাক্না থোগল্লি ।।

মরোল অহুম্মকী পুক্নীং চুনফমনি ।।

বৃন্দাবনগী নিংথিবসে ।।

(একতাল)

কয়া ফজৈ বৃন্দাবনগী নীংথিবসে ।। ধ্রু

মুণ পুক্নীং শুম্মৎলি(নে)

মীসু লাইসু শুম্মৎলি(নে)

অহুমসু ঙক্নরিনে

য়েন্নীং চল্লি হৈপাল লৈপাল

তঙাং তঙাং তনৌ হেনৌ ।। কয়া ফজৈ

ক্রোশ ব্রজভুমণি

ঙান্থোইরি বনমালী ।

মথংদা মখাগী অসি অমুক মৈতৈ নক্ত্রগা ময়াং সুরকাক তালদা অমুক শকথগনি মচুদি—

ঈশৈ

সূত্র—(শ্রীমন্মধু বৃন্দাবন মণিময় মন্দির শোভা)

শ্রীমন্মধু বৃন্দাবনদা ঙাল্লি মণি মন্দির নীংথিবা

শ্রীরাধা গোবিন্দনা

মণিগী সিংহাসনদা

ললিতানচিংবী সখিশিংগা

লীলা কয়া শান্নরকলে ।।

মসিগী মথংদা অহুম্মক মখাগী বৈষ্ণব বন্দনা অসি শমথগনি মচুদি—

সূত্র— * শ্রীমদ্রাধা গোবিন্দ অনিবু খুরুমজৈ।
কলি পাবনাবতার শ্রীগৌরচন্দ্র প্রভুবু খুরুমজৈ।
শ্রীনিত্যনন্দনচিংবা ভক্তবৃন্দবুসু খুরুমজৈ।
ত্তিনবীরিবা ভক্ত-বৈষ্ণব সভাদসু হন্না হন্না নোংজরি
শ্রীরাধাকৃষ্ণগী নিত্যরাস লীলা যঞ্জবু
শোঞ্জ শকচবদা য়াওবা অরান অহুই পুন্নমক
সভাগী চবণনা ঙাকপিয়ু কৃপা মবীক নিজরি ।।

মথংবা মথাগী রূপ প্রার্থনা অসি অমুক শরুনি মতুদি—

(ছাড়া)

সূত্র— ফুইনা হৌবা নোংহৌ কুচুবু ঙমজবা······

(লামায ৭ দা যেংউ)

মথংদ মথাগী অসি ছন্দ হোংলগা ছাড়াদা অতুম্মক অমুক দথগনি মতুদি—

সূত্র— (নিজগৃহে শয়ন করল যদুরায়)
মনিগী সজাইন্নুংদা চেপখবে যদুরায ।।
চেপ্নখবে শ্রীনন্দ-যশোদাসু
গোপ গোপী তুন্নখরে
ইচীক ইছন তম্নকলে।।
য়াতানরে চেক্লাশিং
মতুম য়শাই মন্নুংদা ।।
রাহোং কোকিলখোঞ্জেনত্তনা
চীকপা হৈতে বাকংনরি।
ময়াই কাবা খোইমুশিংনা

মসিনা থায়নগী লৈফমনি। কনাগুম্বনা হুজীক্তি মসিবু মথক্কী আলাপ অসি শকপদা শকপদা দীর্ঘ লোইরগা শমতুথনা হেক্তেমক লোইনা শক্লগা আলাপকী ঘর অমুক হজিন্দুনা শক্লবসু য়াওই। মসুম তৌববদি রূপ-প্রার্থনা অসিসু অতুম্মক শমথরগনি।

কোয়না পাইরি লৈহৌ থিবা ॥
ভক্ত থম্মোই লাওতকুঞ্জে
মিতাজরি মনাই ভাগ্যচন্দ্র নিংথৌগু

মথংদা কৃষ্ণ অভিসার তারগনি মচুদি—

ঈশৈ

একতাল অরাওবা

(কানন কুঞ্জে কুসুম পরকাশ)

সূত্র— কুঞ্জদা নীংথিরে
লৈতনা ইভৌ ঙৌরে ॥
পুন্নীং ইনৌ নৌরে
য়াহোং কোকিল মখোন্দা ॥
লৈকা খুদীং খোইমুনা
লৈহৌ থিরি কোয়ঙাওননা ॥
লৈপাল খুদীং ঙংলি
হরাউ মথোই কানা ॥

× × × ×

মথংদা মখাগী অসি চালি তালদা অমুক শমথগনি মচুদি—

শরদ থাজনা মায়থোংনি
মোমোন নোক্লি চীক্লা ঈংনা ॥ ধ্রু
থম্মোইসুংদ রাধা মায়থোং
মত্তন্নগা অচীকপা অহিং ॥
থাবন্নগা ঈচীক হুল্লি
উনা থক্তা ঈরং লংলি ।

মথংদা মখাগী অসি তুইতালদা অমুক শমথগনি মচুদি—

সূত্র— চরণ থৌগল মণিপুর
খোঙথাং খুদীং রুণুঝুনু ॥ ধ্রু
খুংতা বাঁশী খুজেংদ খুজি

বাঁশীনা য়াধা রাধা কৌরি ॥
ফুইনা য়োবা নোংগী কুচু
মনা ফীগে নোংথাঙ মচু ॥
ওয়দা শেপলপ চূড়ানা ঙাল্লি
তনিক তনিক চরণ য়েংলি ॥

মথংদা মথাগী অসি ছন্দ অমা হোংদুনা হুইতালদা অচুম্বক মথগনি মচুদি—

সূত্র— য়াহোং লাবা অমোমশিংনা
মপৈ মপৈ শাম্নরি ॥ ধ্রু
হরাউ মথোই কানজরি ॥
শজি শঙাই মপৈ মপৈ ॥ হরাউ

মথংদা মেনকুপ তাদুনা অমুক শকনি মচুদি—

সূত্র— ফুগায়না শাংশা নৈগী মপৈনা
চীরা ঈংনা নৈনম যেল্লি ॥
নৈনা নৈকা থীকথরক্লি
শংবানবা শ্রীঅঙ্গদা ॥
তত্তনা য়েংলি তথক তথক
তোয়না তোয়না নিকুঞ্জতমনা ॥

য়েংগদবা— ঈশৈ অসিগী অরোইবদা শ্রীকৃষ্ণনা জগোই শাবা তাকুনা ঙাইহাক্তুং ভঙ্গী শাদুনা নৈগনি। বৃন্দানশি চঙলক্তুনা রুমগনি। বৃন্দানা শ্রীকৃষ্ণবু স্তুতি তৌগনি মচুদি—

বৃন্দা (ছাড়া) ফুইনা হোবা নোংহোবু ঙমজবা
মায়থোংনা শরদ থানিন কোটিবু হেনবা
ভক্ত থম্মোইগী অমম্বা কোকপিহৈবা
খুরুমজৈ নঙবু লামবিহৈবা ॥

মথংদা কৃষ্ণনা ভঙ্গী থাদোক্লুনা চুম্না লেপ্লগা য়েংকী থুংনা বাঁশী পায়ম্বনা মোক্ত তৌনা বৃন্দাবু কৌহুনা, ছাড়াদা ঈশৈ ওইনা শক্কনি।

কৃষ্ণ (ছাড়া)

বনেশ্বরী বৃন্দে লৈবু থিবীক্লনে
ঐগী পূক্লীং থুংজগে ॥
কুঞ্জবনদা ঙসি লৈগী সয্যা শেমসি
নীংথিবা পরেংস্থু লেংসি ॥
লাক্লগা রাধাদো শিবীগে মঙক্তা
হরাউসন্থু উবদা সয্যা ॥

মথুং লোম্লহুনা লেপ্পা লেপ্পা বৃন্দানা মীরোন্দা ছন্দ য়াঙদন হায়গনি—

বৃন্দা— সেবাতবু ঙাইজবী ননাই বৃন্দানি
ইবুংঙো ইবেম্মগী লীলা খোৱাংজবীনি ॥
(ছাড়া ঈশৈ)
লেঙশিনবীরম্মু পোথাবীরম্মু
থিজরুগে লৈরাং লৈথন শুনা কংকে ॥ ধ্রু

মথংদা বৃন্দানা লৈ-য়েন্দায় পায়হুনা জগোই শানা শানা লৈ থিবা চংকনি, ঈশৈ মতাং চানা চানা লৈ হেকপা, হাপ্পা অসিনচিংবা জগোই ওইনা শাগনি। স্থত্রনা ঈশৈ শক্কনি। কৃষ্ণদি ভঙ্গীদা অতুম্মক লেপ্লুনা লৈগনি।

স্থত্র— হরাউজরে বৃন্দাদেবী
মায়থোং মকা ফল্লে ॥ হরাউজরে
(থম্মোই ঈহোরে বৃন্দা সখি)
লৈপান থূদীং চঙনা হেকলি
লৈগী লৈথন শুনা ॥ হরাউরে
লৈহাউ পুম্বুম তাবী থুংনি

লৈবু হেনবী বৃন্দানি
চীন্দা ঙংলি কৃষ্ণ গুণ
লৈরাংলক্কী খোইমুগুম ॥
(ঈহৌরে থম্মোই বৃন্দাদেবী)

তিনতাল

সূত্র— কুচুনা সনানি কীজোম্না শংলেননি
মায়থোংনা থানিননি বনগী লাইরেম্বীনী ॥
কৃষ্ণগী পুন্নীংচাবী রাধাগী থাজবী(নি)
প্রেমনা থম্মোই থনবী লীলা সহায় ওইবী(নি) ॥
মপোক মহৈ মাল্লে যুগল সেবা ফংলে
খোরাংজবী ঐনি থুয়া থম্বাল লৈহ
মরোন অহুম্বক্তা কনা লৈ ঐগুম্বী।
মায়থোংনা।

মথংদা থায়হুনা মখাগী অসি অমুক শমথগনি মহুদি—

সূত্র— লৈখন গুনা হেকলে
কুঞ্জ মায়কৈ পাংলে
কৎচরে লৈরাং মপৈ
থরায় নকচাং ঈরোয়নৈ ॥

অসুম্না বৃন্দানা লৈ কৎলরবদা হরাউহনা শ্রীকৃষ্ণনা লৈগী সয্যা ামগনি। সয্যা অচৌবা অমা হান্নদগী শেমহনা থমগনি, মাঙগী থুদাদা ঢ়গী সয্যা শেমগনি। অসুম্না কৃষ্ণনা সয্যা শেম্বদা বৃন্দানা থৌগন ওইনা স্মোক লানশিন তৌগনি। সূত্রনা মখাগী ঈশৈ অসি শক্কনি, ঈশৈগী র্থ মতুংইন্না কৃষ্ণনা সয্যা শেম্না শেম্না মোতসু তৌগনি।

সূত্র— রাজমেল তাল
চিংনা চিংনা য়েংনা য়েংনা
লৈয়োন লৈকাতনা

নিভৃত্ত নিকুঞ্জদা
শেমলে নৈগী সয্যা ॥
থোৎনা নোবা নৈকা খল্লি ॥ চিংনা চিংনা
তনৌজবী শ্রীরাধানি ॥ থোৎনা

অসুম্না সয্যা শেমনা শেমনা কৃষ্ণনা থোক্তুনা রাধা লাকপরা হায়না খৌরাংনা য়েংগনি। অমুক চঙলক্তুনা সয্যা শেম্বদা পুক্নীং চঙলগনি। সূত্রনা ঈশৈ মথা লোথগনি মদুদি—

সূত্র— চিংনা য়েংলি লাক্লবরা
রাই বিনোদিনী
অমুক য়েংই নৈগী সয্যা
রাধা মায়কৈ অমুক তম্মী।
নৈত্তাদরে পুক্নীং লাওতক্লরক্লে।
মায়কৈ শীন্না য়েংবৈ
গোবিন্দদাসনা ॥ চিংনা চিংনা য়েংনা ২

অসিমক্তদা রাধা লাকপা উত্রবদা কৃষ্ণনা বৃন্দাদেবীদা ঈশৈ ওইনা ছাড়াদা শক্তুনা হায়গনি—

কৃষ্ণ— হায়যুগবা বনেশ্বরী
লীলা সহায় ওইবী নঙনি ॥
গুরুজনবু কিজবী
লাক্তুরেদো মহাক্তি
শেমজরুবা সয্যা
অরেম্বদা তারে (দো) ॥

বৃন্দাদেবীনা মথাগী ঈশৈ অসি ছাড়াদা মোত্ত তোনা শক্তি মদুদি—

বৃন্দা— নোক্নীংইদা, রসিক নাগর ॥
মরোল অহুম শুক্লৎপী

কামবীজ থোকপী বাঁশীদি—
মাগী মিরবা খোঙ্গাঙনা
পুহনবীখো সঙ্কেত রাধাদা ॥

কৃষ্ণ (ছাড়াদা)
চুম্মী চুম্মী বৃন্দে ঐদি কাউখোল্লুই ।

শ্রীকৃষ্ণনা ত্রিভঙ্গদা লেপ্লগা মুরুলী নাদ তৌগনি । লোইরগা ত্রনা মথাগী অসি ছাড়াদা থীগনি । রাধানচিংবী গোপীশিংনা অভি-ারগীদমক শেম শাগনি ।

সূত্র— (গুরুজন পরিজন......)
গুরুজননচিংবা তুম্নখরে খঙহুনা
তাঞ্জা খঙবী শ্রীরাধিকা
মতাশিংগা লোয়নন।
কুঞ্জ মায়কৈ পাংলকলে ॥

য়েংগদব'— কনাগুম্বা ওজাশিংনা মতাং অসিদা বাঁশী অনুরাগ প্লবম্ন য়াওই । মথাদা মতুগী মওঙ অমা উচ্চরি মতুদি—

গোপী অমা— তাদবরা ইতা নখোয়দি
থুৎখৎ তোয়বা বাঁগী অসে ।
তুমিন লৈয়ু য়েংসি
অমুক খোংলে তাসি, কদোমদনো ॥
তাদবরা ইতা ॥

মথংদা সূত্রনা মথাগী ঈশৈ অসি শকনি, গোপীনা খোঙ থীন্দুনা ানা লৈগনি মতুদি—

একতাল, ৪ মাত্রা
(হরি অভিসারে চললি ব্রজনারী)

সূত্র— চৎলি ব্রজগোপীশিং
হরি অভিসারদা ॥ কুঞ্জ তমনা ॥

ললিতানা য়েংতা থৌগল্লি
ওয়দা বিশাখা সখিনা ॥ চংলি
ময়ায়দা ভাল্লি শ্রীরাধিকা
তুংদা ইল্লি অতৈ সখিশিং ॥ চংলি

মথংদা মখাগী ঈশৈ অসি গোপীতনা শরুনি। রাধাবু সখি মরিনা চিথেক মরিদা চামর থৌগন তৌগনি, অতৈনা হান্নগুম অহুন্মক মখোঙ থীন্দুনা ঈশৈ শরুনি।

গোপী— (চলু গজগামিনী......)
চংলু শাজং নীংথিবী ॥ ধ্রু
হরি অভিসারদা ॥ চংলু
শামুগী শাজংতা চংসি চংলুনে ॥ শাজং
কুচু নোংথাঙ ভমজবী
ফীজোন শংলেন থোনবী চংসিনে ॥ শাজং
(গাজগরুয়া) থাবন্না ভনিক ভনিকলে
অচংচত্ত পুমচীক চীক্লে
কৃষ্ণ প্রেমনা থম্মোই থন্না ॥ চংলু শাজং
শ্যামগী ওয়দা ভানবীযুনে
য়েংকা ওয়গা লেপ্পিযুনে
থরায় হকচাং পেন্নজগে ॥ চংলু গাজং
মুরুলীনা হন্না হন্না
রাধা রাধা কৌরি তোয়্না ॥ চংলু

মথংদা মখাগী ঈশৈ অসি সূত্রনা হল্লগা গোপীনা খুমহুনা শরা শরা মখোঙ কেনা থাংহুনা মাঙদা তপ্পা তপ্পা চংপা হোগনি।

ঈশৈ

সূত্র— (কুঞ্জরবর গমনী রাই......)

নিকুঞ্জ ভমলি শামুগী শাজৎতা ॥
ভনীংই কুঞ্জনিংথৌ কুঞ্জহুংদা ॥
থম্মোই তথক তথক খোঙথাং তফিং তফিং
মিৎয়েংনা মাঙদা লাঙতক্লনা ॥
খাঙদ থীংলি কিঙ্কিণীনা
খোঙদ নূপুর খোঙথাং থূদীংদা ॥
ঙংলি ঈশৈ কৃষ্ণগুণতনা কোকিলগুমনা হুংশিনা ॥
নীংথিবা শাজৎ ফজবা শাথেক
তনিকলি নাপদা মণিকুণ্ডলনা ॥
থানিনবু ভমজবী মায়থোং নীংথিজবী
ঙাল্লি থম্মোইদা কৃষ্ণগী মূর্ত্তিনা ॥

মথংদা মখাগী ঈশৈ অসি সূত্রক্তনা মখা তাহুনা শক্কনি, গোপীনা ষ্ণ নাক য়ৌহুনা খুরুমগনি।

সূত্র— য়ৌরকলে মবুংঙো নাক্তা
থৌগক্কৈ গোবিন্দদাসনা ।।

মথক্কী অসি নত্রগা মখাগী অসিনসু শিনবা য়াই মহুদি

সূত্র— (মেঘ যামিনী·········)
থাবম্না ঙাল্লে ইচীক ইহুন তল্লকলেনে
শামুগী শাজৎতা চৎলি রাধা অভিসার।
কিঙ্কিণীনা খাঙদ কিকি কিনি কিনি
নূপুরনা খোঙদা কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ ॥
কৃষ্ণ অনুরাগনা থম্মোই ইথন থন
প্রেমগী ইথক্কা মিৎয়েং ইথক থক ॥
× × ×
কুঞ্জ পাংলি রাধা থানিনবু ভমজবী
সথিশিংনা কোয়না থৌগল্লি ॥

অঙাঙ্‌বা অশংবা মলি পরেং পরেং
ঈয়ং লংনা চৎলি কুণ্ডলম্বীদা ॥
চেংলো শকহেনবীনি
মায়থোং থা মানবীনি
শাথেক তনৌবীনি
নীংথিবী শাজৎনি ॥
মিৎস্না ঈখৌলাংবী
মিৎয়েং তথকপীনি
পূম্বম তাবী পাম্বোম
থম্বৌ হেরা মানবী
মতৌতনা তাইবঙ পুক্নীং হুবীনি ॥

মথক্কী ঈশৈ অনি অসিগী মরক্তা শক্নীংবা অমা শক্লগা ঈশৈ লোইবগা মান্না গোপীশিংস্থ কৃষ্ণগী নাক য়োঠ্না পঙ্খাঙনা থুরুম্নগনি। কৃষ্ণনা মথোয়বু মথাগী অসি হায়দুনা ওক্লমগনি, খুৎ অনিমক ভিংথোক্‌না-

কৃষ্ণ— চঙলকউ চান্নথোইবী
বৃন্দাবনগী থন্নায় ওইবী ॥
বৃন্দাগা ঐগা চঙদুনা
কুঞ্জ সাজনদি তৌরুরে
অদূবু নহাক্তং ন্নাংপন্না
থন্নায় হাপ্পদি ওন্নমদরে ॥

শ্রীমতী রাধানা খুৎ লোম্নদুনা হায়গনি মক্তদি—

রাধা— তাবীয়ু হে ইবুংঙো
গোপীসী চান্নথোইবও ॥
ধর্ম্ম 'পূম্বা থারবী
অথীবা মিংচৎ ফংলবী
চরণ সেবা নত্তনা
অপাম্বা অমা লৈত্রবী
তোল্লবী ননাই ঐখোয়নি
চরণ খাদা থম্বীয়ু ॥

মথংদা মখাগী ঈশৈ অসি সূত্রনা ছাড়াদা শকনি. রাধাকৃষ্ণনা
য্যদা লেঙখত্নুনা ফমগনি. গোপী ময়ামনা সয্যাগী অকোয়বদা থৌগনগী
৪ঙদা ফমগনি। সখি অমা অনিনা হৌনবী সেবা চঙগনি।

সূত্র— নোংগা নোংথাঙগা
নোংইনগা থানিনগা
হরাউনা তিন্নরে
কয়া নীংথিরে ॥
সেবা চঙবী সখিশিংনা
নীংজ-পামজ থুংনখরে
মাগী মাগী সেবা চঙলে
মপোক মহৈ য়ান্নজরে ॥

মখাগী ঈশৈ অসি সূত্রগা গোপীগা অওক অথোং শকমিন্নগনি।
াপী মরিনা মায়কৈ মরিদা লেপ্তুনা রাধাকৃষ্ণদা চামর থৌগন তৌগনি,
াপী অতৈদি অতুম্মক ফমখিগনি।

ঈশৈ

চার তাল— ১৪ মাত্রা

সূত্র— জয় ওইরি কুঞ্জমুংদা ঙাল্লি......)
(অসিনচিংবা লামায় ৩২)

য়েংগদবা— মথংদা কুঞ্জগী নোংপোক থংবা মতাইদা বৃন্দাদেবীনা
াহোং তেনরানচিংবা বনগী অচৎচত্ত জীব পুম্বদা থৌদাগনি, মখাগী ঈশৈ
যসি শক্না শক্না মোত্ত তৌগনি, লোয়ননা রাহোংনচিংবা পাইথরক্তুনা
ৎগোই শারগনি, উথক্তগী লৈ মথন্তা লৈমায়দা চাইথরকনি।

বৃন্দা— হৈপাল লৈপান খিবীক
বনগী জীব পুম্বা
যুগল সেবা ফংজহোরো ॥
রাহোং কোকিল খোইমু

তে·ম·রা-ন-চিংবা
শোঙ্গো পেন্না রাধেকৃষ্ণ ॥
হৈরাঙ লৈরাং কচ্চো
নখো পোঙনা খোংজো
মপোক মহৈ য়াঙ্গো ॥

মথংদা মথাগী ঈশৈ অসি সূত্রনা শক্লা শক্লা তানচপ তালদা গোপীনা জগোই শানা শানা পরেং লেংথোক্না মণ্ডলী শেমগনি, রাধা কৃষ্ণসু ময়ায়দা জগোই শাবা য়াওগনি। অসুন্না জগোই শানা শানা লাকপনা পূংয়েবা গুজাগী মপা অতু য়োবদা থাগনি।

ঈশৈ

সূত্র— বৃন্দা সখিনা সেবা চঙলে
যন্ত্র শুনা লানশিল্লকলে ॥
পরেং লেপলে গোপীশিংনা
রাধাকৃষ্ণনা ময়ায়দা ॥
হরাউ মথোই কানরি
যমুনাসু ঈহৌরি ॥
থরান্মীচাক মরক্তা
থানিন অনি থোক্লিনে ॥
পুমডান ভাল্লে কুঞ্জন্নুংসে
য়েংঙু কয়া নীংথিরে ॥
রাগ রাগিণী শুনা
শক্লরকলে গোপীশিংনা ॥
কনানা পূং য়ৈরি
যন্ত্র খোংলি কনানা ॥
ভক্ত থম্মোই ইথক হৌরে
হরাউ মথোই কানরে।

অসুম্না থারবদা গোপীশিংনা কেদার-রাগ হৌদ্না মথং মথং াহন (রাগগী ধ্যান) নচিংবা শকনি মদুদি—

রাগ কেদার

গোপী—তা রি ত ন ত না রিরিরি
রি ত ন ত ন ন না রি রি রি রি রি
তা রি ন ত না তা রি রি রি ॥ ঘর
তা রি ত ন ত না রি রি রি রি
রি ত ন ত না রি রি রি রি রি ॥ পঞ্চম
তা রি ত ন ত না তা রি রি রি রি
তা রি ত ন ত না রি রি রি রি
রি ত ন ত না রি রি রি রি রি ॥ দীর্ঘ

ধ্যান— স্নাত্বা সমুত্তীর্ণবতী সুদেহা
কেশাগ্রনিষ্যন্দিত বারিবিন্দুঃ
নিষ্পীড়য়ন্তীস্তিমিতাং শুকান্তং
কেদারিকা ব্যক্ত-পয়োধর শ্রীঃ ॥ কৃষ্ণরস সংগীত

ঈরুজবা কুইত্রিবী
শমদোন ঈশিং তারিবী
শাওঙ্ শাবান ফজবী
খুৎনা ফীজি শুমলিবী
কুচু লংনা নীংথিবী
কেদারিকা শকহেনবী ॥

অসুম্না রাগ ধ্যান অসি হায়বা লোইরগা রাগগী ঘব হজিল্লগা লাইশিনগনি। মথংদা মথাগী ঈশৈ অসি অহানবা পদ অমা গোপীনা লৌরগা সুত্রনা ওক্তুনা অসুক হল্লগা গোপীনা খুমহুনা অওক অথোং ুরগনি, হেনতাকচা য়ৈগনি, গোপীনা জগোই মত তৌগনি, য়েৎগী খাঙ অমদি য়েৎকী খুৎনা হাম্না লৌহনা জগোই শাগনি। মদুদি—

বৃন্দাবন বর্ণন
ঈশৈ
তিনতালমচা—৭ মাত্রা
(সুখে বিহরই…...)

গোপী— কয়াদ নীংথিজরে য়েংউনে
সূত্র— শ্রীরাধা গোবিন্দ অনিবু ॥ ধ্রু
ফজরে নীংথিরে পেঙ্গরেনে ॥ য়েংউ কয়াদ
অনিমকী মঙান্না
তাইবঙ খোন্না ঙাল্লে ॥ পেঙ্গরেনে
সনাদা ভম্ফা থিল্লিবসে য়েংউনে ॥ অনিমক্কী
লৈরাংনা লৈকা খীকথরক্লে
মলয়া ইপোমদা
থাবন্না ফীঙৌ ফোরে নীক নীক লাউরে ॥ নিংথিজরে
রাধা গোবিন্দ রাসমণ্ডল য়াইদা ॥ কয়াদ
ঙাল্লে গোপীলক্তা নীংথিজরে ॥ ধ্রু
নীংথিজবা রাগ হোরে গোপীশিংনা
সখিশিংনা যন্ত্রখোংলি নীংথিবা সুরদা ॥
শ্রীরাধা গোবিন্দ

মথংদা মখাগী ঈশৈ অসি সূত্রনা হল্লগা গোপীনা খুমহ্নুনা অওব অথোং শক্কনি, চালি অফেবী শাগনি মহ্নদি—

রাজমেল
দুইতাল— ৭ মাত্রা
(করে কর মণ্ডিত)-

সূত্র— খুৎকা খুৎকা পায়নরি
মণ্ডলী য়াইদা ॥ ধ্রু
রাসেশ্বরী শ্রীরাধিকা
শ্রীগোবিন্দ লোয়ননা ॥ আ

যন্ত্র মথল শুনা য়ৈরি
বীণা খোংলি মৃংশিনা ॥
রাগ কয়া কয়া হৌনৈ
কয়া নীংথিজৈ ॥ খৃৎকা

মথংদা সূত্রগা গোপীগা শকমিন্নজুনা মোত তৌগনি মহুদি—

একতাল তানচপ – মাত্রা ৪

সূত্র – (জয় জনরঞ্জন ......)
রাসেশ্বরী গোবিন্দ অনিমক্না জয় ওইরি
পুমণ্ডান ডাল্লি য়েংষ্ট কুঞ্জনুং অসে ॥ ধ্রু
গোকুলগী থরায় ওইবা গোবর্দ্ধন থাংগৎপা
থানিন কোটি হেনবা চীক্ল ছায় লেম্বা ॥ রাসেশ্বরী
গোপী পূক্নীং হুবা গোপশাগৈ ডাকপা
চীনবান্দা মুরুলী থোনবা
চূড়া শেপলপ্পা মিৎয়েং খোইথোয়বা
বনমালা শিবা মরোন অহুম শুম্বা ॥ রাসেশ্বরী

মখংদা মখাগী ঈশৈ অসি অহুম্মক শমথজুনা শক্কনি—

ঝনতা ঝন ঝনতা তথরি
তক তুক থেন্না
দৃমিকি দৃগরা তক তৎতা
থৈয়া য়া ঝনতা ঝন ঝনতা তথরি
স রি রি গ ম প ম গ মম মগরে
সৎ সা তে ঐ তেন্না তেন্না তেন্না তে
ঐ ঐ আ ॥ ঝনতা
(ভক্তি রত্নাকর ৫ম তরঙ্গ লা: ২৫৯)
সৎ স রি গ রি শকলি গোপীশিংনা ॥ ধ্রু
ঐ তে ও ঐতে না এ ॥ সৎ স রি
ধা ধা ধ্রুকি তক থিন্না এ ॥ সৎসরি
শ্রীগোবিন্দনা শারি জগোই রাধিকাগা ॥ ধাধা

মথংদা মখাগী ঈশৈ অসি গোপীশিংনা পুন্না শক্কনি মহুদি—

গোপী— একতাল—৪ মাত্রা

য়েংউ শুক শারী
জগোই শারিবসে
শ্রীরাধা গোবিন্দনা ।।
হৱাউ মখোই কাজো
মপোক মহৈ য়াঞ্জো
পেন্না পেন্না য়েংজো ।।

ঈশৈ অসি শক্কা শক্কা শুক শারী শাবী গোপী অনি খোক্‌নুনা জগোইনা মোত তৌগনি। মখাগী ঈশৈ অসি মখোয়না অমুক অমুক হায়নগনি। ভমদ্রগা সূত্রনা হল্লগা অতৈ গোপীনা খুমগনি, মখোয় অনিনা চুন্নগী মোত-তমক তৌগনি মহুদি—

সূত্র— উশা থক্তা শুক শারী
মহৈ মহৈ থাগৎনরি
শ্রীরাধা গোবিন্দবু ।।

শুক— তারিবরা শারী নঙবো খঙদবা খঙজো
কৃষ্ণগুম্বা লৈতবনি মরোল অহুম্মক্কা
হায়নৈ পতিত পাবন।

(মীরোম্না হায়গনি)

কালীগী হু কামশিল্লবা যমুনা ঈশিং থকলুবদা
ভম্না শিরে যণবী যন্নাউ রাখাল
যমুনাদা চোংথহুনা নবুংঙো কৃষ্ণনা
খোঙনেৎনরে কালি লিনবু সমুদ্রদা চেনখরে।

শারী (ঈশৈ)—তানীংদে তানীংদে ঐনা
ওইদবা রাঙাঙদো

মুনি ঋষি মপৈ মপৈ
শোম্নৈ রাধা রাধা
কোক্নৈ অম্না অনা ॥

(মীরোন)

থক থক নীকখি নঙগী কৃষ্ণ কলিবু উবদা
ফারুবদি হায়রুগনু মনাকসু নকঙমদে ।
রাধা মিংলেন শোঞ্জবনা কালি মঙক নোনখি ।
শিরবদা হিংজবনি নবেম্মগী নামতনা
নভ্রবদি লোইরবনি নঙগী কৃষ্ণ অসে ॥

শুক (ঈশৈ)

করিসু থঙদবী শারী
নাপল তৌজবা শারি ।
নঙগী রাধা মায়থাবীদি
উরক থূদীং চৎপীনি ।
কৃষ্ণগীদমক ঙাওরবীনি
ইকাই ইকি থাবীনি ।
কেশর কুঞ্জদা ফমতুনা
অহিং মিৎশেঙ থাঙবীনি ।
ঙাইনা ঙাইনা লাকপিদে
মমি ফাঙবা উৎখিদে ।
কৃষ্ণ কৃষ্ণ শোন্দুনা
ৱাস্থখিবদো ক-না-নো ॥ উশাথক্তা

শারী— ইকাইদেদা অচ্চা অচ্চা
ইকাইদেদা মায়থাবা !
নোংঙাল্লমদাই মতমদা
ফিজেৎ লৈতেং ওম্ন তৈনা

ঙাকপিয়ু লাল্লে হায়রুনা
চরণ শোকখিবা কনানো।
অঙাং ওইনা হুপী হাংপা
মিংচৎ ফজবা নবুংঙোনি।
কুচুনগা মুশিন মুরে
ফনচুম্ম পকচরে
রাধা মঙান ফংজবনা
মুনা লংজবনি
নত্রবদি উরোই খঙজৌ
নবেম্মবু থাগচ্চৌ॥

শুক (ঈশৈ)

করি খঙই শারী নঙনা
ঐগী কৃষ্ণগী মগুণবু।
মুনি ঋষি কয়া কয়া
মাগী ঙমথৈ ফংদে
লোইবা নাইদ থিনরি
নবেম্মনা সাক্ষীনি।
মুরুলী মখোন তাবদা
গোপী 'পুম্বা ঙাওনৈ
ময়ুম মকৈ থাদোক্কুনা
কদোমদনো চেন্নরি।
কামদেববু শুম্বাংপা
জগৎকী থরায়নি।
নঙগী রাধা ওক্তবীনি
তাইবঙ খোন্না খঙনৈ।
চানবী হৈবা শ্রীকৃষ্ণনা
মাবু কনবীবনি।

শারী—ঐগী রাধা শকহেনবীদি
তাইবঙ পুম্বনা ঈড়াংনৈ
রাসমগুলদা রাধানা
রাসেশ্বরীনিনে য়েংজৌ ॥
নঙগী কৃষ্ণদি স্থমিৎ চূপ্পা
মণবী মন্নাউ শেল্লি
মণশেন্নহা হায়নৈ মীনা
জাতিনা গোয়ালানি ।
নঙগী কৃষ্ণ হুরানবনি
ননী মাখন মিত্তাবনি
গোপী চৈফু কিবত্তনা
কোক্তা চূড়া থেৎপনি ॥
নৈপাক ছপ্পা রাকৎপদা
যশোদা মমানা
খ্বাঙদা থৌরী থাংচনা
শুম্বদা পুনখিবদো
হুন্নানবগী নত্তরা ।

(মিলন)

মথ.গী ঈশৈ অসিদা শুক শারী অনিমক পুন্না জগোই শামিন্নগনি—

ঈশৈ

সূত্র—শুক শারী অনিনা থৎনরম্বা তোকলে ।
রাধা কৃষ্ণ অনিমক্কী নৈপুন শেম্মিন্নখরে ॥
জয় রাধে কৃষ্ণ হায়না
কোয়না জগোই শারে ।
রাধা কৃষ্ণ অনিমক্কী
লীলারস চূপ্পখরে ॥

মথংদা মথাগী ঈশৈ অসি সূত্রনা শকনি, গোপীময়াম্না রাধা কৃষ্ণ লোয়ননা জগোই শাগনি, সূত্রনা হল্লগা গোপীনা ঈশৈ শকপসু ত্তৌনৈ—

ঈশৈ

একতাল— ৪ মাত্রা

সূত্র— (ক) নৃত্যন্তীথং গদতি তথথৈ থৈ তথৈ থৈ তথৈ থা ॥ ৮॥
(খ) রাধাকৃষ্ণত্যুতিঘনচয়ে চঞ্চলেব স্ফুরন্তী ॥ নৃত্যন্তীথং
(গ) পাণিদ্বন্দ্বং মুহুরিহ নদৎ কঙ্কণং চালয়ন্তী ॥ রাধাকৃষ্ণ
(ঘ) কূজৎ কাঞ্চীকটকবিরণন্নূপুরধ্বানরম্যং ॥ পাণিদ্বন্দ্বং
গোবিন্দলীঃ মৃ: ২২ শ: সর্গ: ১৩৫১ পৃ:

(১) তা ধিক্ তা ধিক্ হরধিক্ হরধিক্ নাচে রাধা মাধব ॥ তাধিক
তা ধিক্ তা ধিক্ ধিগিতি নিনাদং
কুর্ব্বন্ রাসে বরমুরজোহয়ং ।
লাস্যে রাসামতিশয়তুষ্টো
নিন্দতন্যাঃ সুরবনিতাঃ কিং ॥ ১৭॥ গোবিন্দ লী: মৃ: ২৩ শ. সর্গ
১৩৫৬-৫৭ পৃ:

২) তৎ তা ধিক্ তৎ তা ধিক্ তা ॥
(৩) গোপিনির্গায়ন্তং নাচে রাধা মাধব ॥ তা ধিক্

অর্থ— শ্রীকৃষ্ণগী অঙ্গকান্তি ওইবা ফূইনা হৌবা নোংহৌ মরক্তা থানবা চুমথাঙগুম্বী শ্রীমতি রাধানা 'তথথৈ, থৈ, তথৈ, থৈ, তথৈ, থ'— অসুম্না

---

(১) লাইন অসিমদি ওজাশিংনা হাপলম্বা ওইনা তৌই। লাইরিক্তদি ক খ গ ঘ অসুম্না মথং মনাউ ইরি, ওজাশিংনা মতুং ঈশৈদা খুদোং চানবা লৈরিবা মওঙ অসিদা শেম্লম্মী।

(২) অরোইবা লাইন অসিসু ওজাশিংনা অলঙ্কার ওইনা হাপ্লি, গোবিন্দলীলা মৃতদদি য়াওদে। ওজাশিংনদি মতাং অসিবু রাধাবুগী অপুনবা জগোই ওইনা লৌখৎপিরম্মী। লাইরিক্তী অশেংবদি মতাং অসিদি রাধাগী জগোইনি। মথক্তী অর্থ অসিনসু অতুম্মক ফোংদোবলি

(৩) গোপিনিরাগায়ন্তং— ওজাশিংনা হায়নবদি মসিনি।

চীন্দা পুংলোন হায়না হায়না হকচাং শাথেক অমদি খুৎকী খুৎথেক খুৎহাইদা থোক্লকপা কিঙ্কিণী, মেখলা মণি-নূপুব অমদি অমগা অমগা থেংনবদা থোক্লকপা খুজি মথৈগী পূকীং ছুরবা মখোনশিংগা লোয়ননা পূক্লীং ছুরবা জগোই শারকলে ॥ ৮

মথল্লায় পান্দবা ওইহুনসু অফবা ফত্তবা খন্দোক খজিন হৈবা অহিংবা পোৎ অমগুমনা অথোইবা মুরুজ (মৃদঙ্গ) না রাসকী জগোইদা "তা ধিক্ তা ধিক তা ধিক্" হায়রদি রম্ভা তিলোত্তমানচিংবা স্বর্গগী জগোই শাবাশিংগী জগোই অহুদি ব্রজগী গোপীশিংনা শাবিবা জগোই অসিগা য়েংনরুবদা কারিসু লৈতে হায়বগুম মাগী পুংখোল থোকলি ॥ ১৭

পুংনা তৎতা ধিক তৎতা ধিক হায়রি। গোপীশিংনা ঈশৈ শকলি, রাধা কৃষ্ণনা জগোই শারি ॥

মথংদা মখাগী অ'স লোথরকনি। গোপীনা অহুম্মক জগোই শাহুনা সূত্রনা হল্লকপদা ওক্কুনা ঈশৈ শকনি মহুদি—

একতাল— ৪ মাত্রা

সূত্র—(১) (গ) দ্রামা গতৈাবং মুহুরিহ মুদা শ্রীমদীশা ননর্ত্ত ॥ ৯

(খ) থেক্ ধেক্ থো ধো কিরিটি কিরিটি

দ্রাং দ্রিমি দ্রাং দ্রিমি দ্রাং ॥ দ্রামা

(ক) ধাং ধাং দৃক্ দৃক্ চণ্ড চণ্ড নিঙাং গং নিঙাং গং নিঙাং নাং

তত্তুক তুংতুং গুড়ু গুড়ু গুড়ু ধাং দ্রাং গুড়ু দ্রাং গুড়ু দ্রাং ॥

অর্থ—তাইবঙবানগী মনেম্মা ওইবা শ্রীমতী রাধিকানা চীন্দা—

ধাং ধাং দৃক দৃক চণ্ড চণ্ড নিঙাং গং নিঙাং গং নিঙাং নাং,

তুত্তুক তুং তুং গুড়, গুড়ু গুড়, ধাং দ্রাং গুড়, দ্রাং গুড়ু দ্রাং

থেক্ ধেক্ ধো ধো কিরিটি কিরিটি দ্রাং দ্রিমি দ্রাং দ্রিমি দ্রাং।

সমুম হায়না হায়না হম্না হম্না জগোই শারকলে ॥ ৯

---

(১) মতাং অসিসু ওস্তাশিংনা অকোনবনা হান্না লৌখত্তুনা মথং হনাউ ওন্নহল্লম্মী, মহু ঈশৈগী খুদোং চানবা তোরম্বা ওইবমাল্লে, লাইরিকী দ ক, খ, গ অসুম্না লৈ।

মথংদা মখাগী অসি অমুক শমথক্তনা শকনি মতুদি—

চার তাল - ১৪ মাত্রা

সূত্র - (১) (ঘ) স্তত্তা তথে দৃগিতি দৃগিথৈ দৃক্ তথৈ দৃক্ তথৈ থা ।।৬।।
ওকি আরে স্তত্তা

(গ) ধুন্বন্ পাণী নটতি নিগদন্নিথমানন্দয়ংস্তা ।। ওকি আরেস্তত্ত

(খ) নানাতালক্রমবশতয়া চালয়ন্ শ্রীপদাজ্ঞে ।। ধুন্বন্ পাণী

(ক) কৃষ্ণঃ শ্রীমান্মুহুরিহ সমাগত্য তাসাং সমধ্যান্ ।। নানাতা

গো: লী: মৃত ১৩৫০ পৃঃ

অর্থ— শ্রীকৃষ্ণনা মখোয়গী মরক্তুগী (গোপীগী) হন্না হন্না চোংথোক্তুনা তং তা তথা তথৈ দৃগিথৈ দৃগিথৈ দৃক্ তথৈ দৃক্ তথৈ থা' হায়না চীন্দা পুংলোন হায়না হায়না মথল মথা অয়াম্বা তাল লয়দা নেত্তুনা অঙকপা খোঙচৎ অমদি তত্তনা হোংবা হকচাং শাথেক লোয়নননা নীংথিবা খূৎচা জগোই শাত্নুনা সখিশিং পুন্নমকপু নুংঙাইহনবীরকলে।

মসিগী মথংদা মখাগী অসি শমথগনি। মসিবু মৈতৈনা 'তেলেনা', উত্তর ভারতনা 'তারানা', মাদ্রাজীনা ভরত নাট্যমদা 'তিল্লানা' হায়নৈ ঈশৈ অসিদদি ময়াম পুন্নমক পুন্না জগোই শাগনি মতুদি

দুইতাল— ৭ মাত্রা

সূত্র—তাম্নুম দেরেনা ঐ দৃমতা দৃমতা
দৃমতা ন ন ন সরিগ মপ ধ নি গ,

স রি গ ম হায়না বীণা মখোলনা।।
নীংথিবা খুংখংনি নুংশিবা থোম্মোকনি

তুমতা গতি তান্নুম অতন্নুম তানা দেরেনা
তানা দেরেনা তানা দেরেনা ।।

বীণানা দারে দারে দেদারে দে দারে। তান্নুম
তাধিন্না খিংতি তং তাকৃতি থেই থেই

(১) ওজাশিংনা মসিস্নু থক খা ওন্ননা লৌথংলক্ষ্মী

দৃগতা, তাতাথৈ তাতাথৈ তাগ্রুগ্রু তাগ্রুগ্রু ॥
তাতাথৈ তাতাথৈ তাগ্রুগ্রু তাগ্রুগ্রু ॥ তাহুম
হুংশিবা পুংখোলনে বীণাগী খোম্বোকনে
অনিগী য়েৎনবা খোম্বোক কয়া নীংথিরি ॥
বীণানা দারে দারে দেদারে দেদারে তাহুম্ ॥
ধা কিটি তক ধুমকিটি তক থৈ
থৈয়া তা তা থৈয়া ॥ আ—
খুৎকা খুৎকা পায়নরি
উরু উরু লৈনরি
কেনা নৌনা থোৎপা
শাথেক্লা নীংথি ॥

মথক্কী অপূনবা জগোই অসিগী মথংদা রাধা-কৃষ্ণগী যুগল নর্ত্তন
চাবা য়াই। মতুগী ঈশৈ মওঙ অমা উৎলি মতুদি—

সূত্র— চৌতাল

য়ৈরিনে পুংলোন্না থোদ্
কট নক ধোমি ন টাক ধা (২)॥ য়ৈরিনে
রাধা কৃষ্ণনা পূন্না জগোই শারি
শকলি ঈশৈ ললিতানা হুংশিংবা স্নুরদা ॥
চিত্রা চম্পক অনিনা তান্থারি
বিশাখা সখিনা নীংথিনা পূংয়ৈরি॥ চিত্রা
* স স স নি নি নি নি নি নি
নি নি ধ নি সা রে ॥
গ প গ ম হুংশিবা খোল্লীক্লা
ত ন কি তুম ॥
ত ন ন ন ন ন য়েংউ কয়াদ নীংথিরি ॥ য়ৈরি

---

* রে রে রে স স স স স নি নি নিধ নি সারে—পাঠঃ

মসিগী মথংদা গোপী ময়ামগী অপূনবা খোঙচৎ চালি অমা শারগা মমৈদা চালি অতিংবী শাত্থনা মথংদা ভঙ্গী শাবা হোৌগনি। সূত্রনা ঈশৈ হল্লগা গোপীনা খুমত্থনা শক্কনি—

সূত্র— চালি

খুজিনে কিঙ্কিণীনে॥ খুজিনে
নূপুরগী খোম্বাঙনে॥ খুজিনে
অঙকপা জগোই শারি
শ্রীরাধা গোবিন্দ॥
লেঙদবা নোংথাঙ খাল্লে
কয়াদ নীংথিরে॥
অমংবা নোংদা ইঙান ঙাল্লে য়েংউ॥ লেঙদবা
ফুইনা হোৌবা নোংলক্তা
নোংথাঙনা ঙাল্লে॥ লেঙদবা
মা-ধ-ব-দা-স-না
য়েংবগী পেঞ্জদে॥ খুজিনে

অচৌবা ভঙ্গী পরেং

মথংদদি অচৌবা ভঙ্গী পরেং শারগনি। মসিগী ক্রমদি গোবিন্দ বসন্তরাসতা, ১২-২০ ফাওবদা তাকখ্রে, চপ মান্নগনি।

অসুন্না ভঙ্গী অচৌবা শাবা হেক লোইবগা কৃষ্ণ নর্ত্তন তাগনি সূত্রনা ইশৈ শক্লগা গোপীনা খুমগনি। সূত্রনা শকলিঙৈদনা গোপীগা কৃষ্ণগা পূন্না জগোই শাগনি। সূত্রনা লোইরগা গোপীনা ওক্তুনা ফম্নগা ঈশৈ অমুক শকলিঙৈদা কৃষ্ণনা নায়তোম জগোই শাগনি। মসি থায়নগী ওজাশিংনা তৌরম্বা মওঙনি।

ঈশৈ

মেনকুপ—২ তাল (নাচত রঙ্গে.....)

সূত্র—জগোই শারি কৃষ্ণ মরোল অহুম ঙক্লা
থেক্লা নোৌনা কেনা কয়াদ নীংথিরি॥ জগোই

শামু শাজৎনা লেম্না নীংথিবা
কয়াদ ফজবা হকচাং শাথেক্না ॥ জগোই
খোঙদা নূপুরনা খাঙদা কিঙ্কিণীনা
ঝননন হায়রি খোঙথাং থূদীংদা ॥ জগোই
সনা ফীগেনে মণি লৈতেংনে
পূক্নীং ঈথক হৌনৈ উবদা ব্রজগোপীশিংগী ॥ জগোই

মথক্কী অসিগী মহুক্তা লমায় ৫০—৫১ গী "যুবতি মনোহর' না হৌবা ঈশৈ অচুনসু শিনবা য়াই। মৈতৈলোনগী শরূক বোন্নবা লৈবনা মচু য়েংবীয়ু।

অসুন্না লাকপনা মথংদদি মথাগী ঈশৈ অসি মেংকূপ ছন্দবা হোংচুনা অমুক শমথগনি মচুদি—

মেনকূপ

সূত্র—শ্রবণে কুণ্ডল কৃত ঝলমল........

নাপদা কুণ্ডলনা তনিক তনিকলি
নহাওইবী গোপীশিংগী থম্মোইসু নিকলি ॥ ধ্রু
নাপ অনিদা কুণ্ডলনা হাইবি
ব্রজগোপীশিংগী থম্মোইসু হাইবি ॥
বনমালানা হাইরিয়ে ভক্তা
শ্যামগী ভক্তা হাইবি বনমালা ॥
শাথেক ভকথেক থূদীং হাইরি বনমালা ॥
ভক্তগী প্রেমতনা পরেং ওইনা হাইবি বনমালা ॥
শ্রীগোবিন্দগী ভক্তা ভক্ত প্রেমগী পরেং ওইবা
মালানা হাইরি ॥
খোঙথাং থূদীং শ্রীচরণ অনিমক্তা
মণি নুপুরনা শোল্লি কৃষ্ণ কৃষ্ণ ॥
তনিক তনিক ঈরং ইবংলাং কোক্কী লৈতেং চূড়া
চূড়ানা শেললপ লৌগৈ্জে।

নীংথিবা শৈহেক মুংশিবা পুংখোল

থৈ থৈ থো থো দৃগিকি দৃগিকি

অকুপ্পা পুংলোন্দা ॥

মসিগী মহুত্তা লামায় ৪৮-৫০ কী 'ত্রিমিকিটি ত্রিমিদা' হায়বা অহুনসু তৌনৈ।

মসিগী মথংদদি কৃষ্ণগী পুংলোন জগোই তারগনি মহুগী ঈশৈদি-

একতাল—৪ মাত্রা

সূত্র— খোঙথাং খুদীং নূপুরনা

রুণু ঝুনু খীংলি ॥

খুৎথেকনে শাথেকনে

নীংথিবা খোঙথাংনে ॥

ফজৈ, নীংথি, মুংশিনা য়ৈরি

তাতাতাথৈ থৈ

দৃগি দৃগি দৃগতা

দৃগতা দৃগতা তাথৈয়া ॥ আ

তাথৈয়া তাথৈয়া

পুংগী পুংখোল্দা

জগোই শারি শ্রীগোবিন্দ ॥

ঈশৈ অসিগী অরোইবা পরেং অসি শকলিডৈদা মালা অনিরক হুনগনি। অসুম্না মকোক্কী হায়বদি 'খোঙথাং খুদীং' দগীনা অমুক লোইবা ফাওবা শক্লগা ইশৈ লোইশিল্লকপগা মাম্না অকোনবা মালা অমুকসু হুনগনি।

য়েংগদবা— অসুম্না মথং মথং জগোই ৱানা শারুবগী স্বর হোন্দোকপা নংদনা অডাং ওইরিবা কৃষ্ণশাবনা মালা হুনবসি ৱানা থোকপা উবদগী স্বর্গীয় ওজা ঝুলন মচানা মরক্তা ঈশৈ পদ অমা শক্তনা খোঙ কুপ্পা থাংহুনা নাক য়েং অনিমক্তা অমুক অমুক্তং লৈরম্লগা

অকোনবা পরেংগী ঈশৈ শকপদা মালা হুলহল্লম্মী। অসুম্না ম ক্তা ঙাইহাক পোথাবা তারবদি অহানবগী 'জগোই শারি শ্রীগোবিন্দ' হায়বা অতুনা মালা হুনবা তোক্তুনা তাল ঙাইতুনা উপলৈনা লোইশিল্লমগনি অতুগা খোঙ কৃপ্না থাংবী অতু হান্নগী তালদা মখাগী ঈশৈ অসিদা তাগনি মতুদি—

(নটবর রাজ বিরাজে……)

সূত্র— গোপী কোটি কোটিলক্তা
ঙাল্লি শ্রীকৃষ্ণনা।
থরাম্মীচাকলকী থাগুমলি
য়েংবগী পেনবা নাইদে
কযা নীংথিরি॥

মসিগী মথংদনা কৃষ্ণরূপ প্রার্থনা তারগনি। সূত্রনা হল্লগা বাঁশীনা খুমগনি। মতুগী ঈশৈদি লামায় ২২ দা ইগ্রে।

অসুম্না প্রার্থনা লোইরবদা গোপীনা 'চারতাল'দা ঈশৈ শক্তুনা রাধা নর্ত্তন তাগনি। সূত্রনা হল্লগা গোপীনা ওক্তুনা শকনি।

একতাল—৪ মাত্রা

(চাঁদবদনী নাচত দেখি)

সূত্র—থাবু ঙমজবী বিনোদিনী
ঈংনা তপ্না শারি
থেক্লা নৌনা মায়থোং মকারাম্না॥
য়েংউ কয়া নীংথিরিবা
তাতা থৈয়া থৈয়া
তিনিখিটি তিনিখিটি ঝা॥ থাবু ঙমজবী
বীণা বাঁশী খোংগৎলকলে
পুংলোন পুংখোন নীংথিজরে
তাতা থৈ থৈ থৈ

জগোই শারি শ্রীরাস মণ্ডলদা॥ তাতা থৈয়া
মহাভাবনা লৈতেংনবী
তাইবঙ পুক্নীং শুম্কৎপী॥
জগোই শারি
ফজবা মপা লৈতরে॥ তাতা থৈয়া
য়েংবদা পুক্নীং হুনরে॥
× × × ×
থানিনবু ঙমজবী রাধা
নীংথিজরে ফজরেনে॥ য়েংবদা পুক্নীং
য়েংউ কয়া নীংথিজবা
য়েংবদা পুক্নীং ইপেন পেল্লে॥ সখী
+ × × ×
কুচু নোংথাঙ ঙমজবীনি
খোঙজি-খুজি-নাশি-লৈতেং
মখোলতনা কয়া নুংশিরি॥
তনৌজবী মায়থোং থাজ
খাত্রাংচাক্কী শাজৎ মানজ।
রুণ্ ঝুনু রুণ্ ঝুনু
নূপুরনা খীংলি॥ তনৌজবী
× × × ×
নীংথিবী রাধানা শারি জগোই
অসিনচিংবা।

য়েংগদবা— মথক্কী অসিগী মহুত্তা মসিনস্থু শিনবা ম্লাই মহুদি—

একতাল—৪ মাত্রা

(শ্রীরাস মণ্ডল মাহে)

সূত্র—শ্রীরাস মণ্ডলী য়াইদা
জগোই শারি শ্রীমতী রাধিকা॥

শ্যামসুন্দরনা তাল থারি
বিশাখা সখিনা পূং যৈরি।
বিনোদিনী রাইনা শ্রীবৃন্দাবনদা
য়েংউ সখি কয়া নীংথিবা
কুচুনা লৈহাউ লৈরেন ঙমজবীনি
খোঙচৎনা কয়া ফজরি॥
থাবু ঙমজবী মিৎয়েং নীংথিজবী
শজি মিৎতা ত্তাজবী
শাওঙ শাদা ফজবীনি
শাজৎ শাথেক নীংথিবীনি॥
খোঙসু তোনসু ঙন্না নীংথিজবীনি
মণি মঞ্জিরনা হায়রি রুণ্‌ ঝুনু॥
কিঙ্কিণীনা খ্বাঙদ কিনি কিনি
কিঙ্কিনী কিনি খোংলি
ফীজোন শংলেন্না লৈতেংবী
শ্যামগী পূক্নীং শুক্নৎপী
তমগুণবু মাঙহনবী
মুক্তিলক্ষ্মী লমজিংবী
ছালিক্য জগোই শারি
লৈনা নোনা নীংথিরি।।
ফীজোন শংলেন লৈতেংবী॥

মথংদা সূত্রগা বাঁশীগা অঙক অথোং তৌত্নুনা শক্লগা রাধানা চালি জগোই শাগনি।

মথক্কী ঈশৈ 'শ্রীরাসমণ্ডলমাহে' হায়বসি স্যার চূড়াচাঁদ মহারাজ দনা হাক্তক্তা স্বর্গীয় ওজা ঝুলন মচানা হাপথিবনি। মৈতৈলোন অসি তুগী মতুং ইনবনি।

ঈশৈ

মসিগী ঈশৈদি কুঞ্জরাস ক্রমগী লামায় ৫৪ দা য়াওরিবা মৈতৈ লোনগী 'বীণা খোঞ্জেন ঙমজবা' হায়বত্থ শক্কদবনি।

ললিতা নর্ত্তন

রাধাগী জগোই লোইবগা কৃষ্ণ-রাধা অনিমক্না ভঙ্গীদা লেপ্তুনা মায় মখা ওন্না লৈগনি। ললিতানা জগোই শাত্থনা কৎকনি। সূত্রতনা ঈশৈ শক্কনি মত্থদি—

* মেমকুপ

(নৃত্যাতি ললিতা শ্যাম গৌরী……)

সূত্র— নীংথিবী ললিতা শ্যাম গৌরী মাঙদা॥
জগোই খূৎথেক কৎলি হরাউ মথোই কানা॥
তনৌ হেনৌ শাথেক কয়া লৈনা নৌনা
খোঙচৎ খোঙথাংনা মাল্লি থাব্রাংচাকী শাজৎ॥

মথংদা তানচপ তাগনি
রাধাশ্যামগী প্রেম হেলহন্নবা
কৎচৈ জগোই ললিতা(না)॥ রাধাশ্যামগী
মকোক ওইবী হৈশিংজবী যূথেশ্বরীনি॥ রাধাশ্যামগী

মথংগী অসিনা অথুবা তালদা হোংগনি—
খুঙদ কিঙ্কিণীনা খোঙদনা নূপুর
রুণু ঝুনু রুণু ঝুনু খাংলি
তাথৈয়া তাতা পূংনা॥

হান্নগী তানচপতা ওমুক হজিনগনি মত্থদি—

'নৃত্যাতি ললিতা' না হৌবা মেনকুপ অসি ওজা ঝুলন মচাগীনি অত্থগা মত্থগী মখাগী তানচপ অনিনা ওজা থৌরাণী শাবীগীনি হায়না অখণ্ডবশিংনা তাকপি।

রাধাশ্যামনা পেনখিনবা প্রিয়সখি
ললিতানা শারি জগোই তপ্না ॥ রাধাশ্যামনা
পূর্ণীং শুঙ্কৎপী জগোইনি ॥ শারি জগোই কেনা
রাধাশ্যাম অনিগী মাঙদা ॥ শারি জগোই নৌনা
পূর্ণীং শুঙ্কৎপী জগোইনি ॥ শারি জগোই তপ্না
মথংদা চারি অরৈবী শাগনি, ঈশৈদি—
(যুগল প্রেমবাড়াইতে
* যুগল প্রেম হেলহন্নবা
শারি জগোই অনিগী মাঙদা ॥ ধ্রু
য়েংনা য়েংনা খোরাংনা
মায়থোং থম্বাল চিংনা চিংনা
শারি জগোই মথোই কামা ॥
কনানবু হেনবা নীংথিবসে
খল্লোকচবা ঙমদে ॥ য়েংনা য়েংনা
বিধিনা করম শেমলম্বনো
ব্রজ বৃন্দাবন 'সিদা ॥ বিধিনা করম

য়েংগদবা— অসুন্না ললিতাগী জগোই লোইরগা অতৈ অষ্ট-সখিশিংসু জগোই কৎকদবনি, মতম ফংদবদগী তোক্লখিবনি। মসিগী মথংদগীদি 'বৃন্দাবন ভঙ্গী' পরেং 'খুরুম্বা ভঙ্গী' পরেং মথং মথং শারগনি। করিগুম্বা বৃন্দাবন ভঙ্গী শাবা ঙমত্রবসু খুরুম্বা ভঙ্গীদি শাগদবনি, অসুন্না লাইগুরুশিংনা চৎনরমই।

বৃন্দাবন ভঙ্গী পরেং

তিনতাল অচৌবা

সূত্র—ঙংলি কক্ঙাওনবা খোইমু মপৈ মপৈ
কোকিলনা পঞ্চমদা খোংলি ॥ ধ্রু

* মসি চূড়চাঁদ সনা হাক্তক্তা ওজা খোংলেন সিংহনা হাপলম্বনি।

লৈতনা পুমঙৌ ঙৌরি অশংবা হৈপাল লৈপাল
থীকথরক্লি শ্যামগী হকচাংদা ॥ ঙংলি
মলয়া হুংশিংনা শিংলি লিরি লিরি
কোয়না য়েল্লি হৈনম লৈনম ॥ ঙংলি

তানচপ

ময়াইকাবা খোইমুশিংনা
লৈহী থিরি কোয়না ঙংনা ॥ ঙংলি
উশা থক্তা উচেকশিংনা
খোংলি রাধা কৃষ্ণ হায়না ॥ ঙংলি
ঋতু তরান্না থৌগনবা
চিন্তামনি ধামনি ॥ ঙংলি

মেনকৃপ

ঙংনা ঙংনা কোয়না পাইরি
খোইমুনা শয়োম শয়োম ॥ ঙংনা

য়েংগদবা— মথক্কী ঈশৈ অসি ছন্দ ওম্মোক ওম্মোক্তুনা শকনি। মথংদা মথাগী অসি লৌথগনি মতুংদি—

তানচপ

(চাঁদনী রজনী)

থাবল্লা ফীঙৌ ফোরে ইরং লংলে ॥ ধ্রু
মাহোং কোকিল মখোলতনা পুমনিন নিল্লে ॥
উরী উনানা তাল থারি
যুগল রূপপু য়েংনা য়েংনা ॥
বৃন্দাবনসে য়ৌনা নীংথিজরে
অনৌবা য়েন্নীংনা পুমঙান ঙাল্লে ॥
য়েংউনে সখি—

মুনি ঋষি কয়া শুন্দাৎনরি ॥ শ্রীবৃন্দবেনসে
কয়া ফজরে থাবন্না ফীভৌ ফৌরে ॥

× × ×

তানচপ

ইনিল নিঙ্গে কুহু খোঙ্গেনতনা
খোঙ্গৌবা কোকিলশিংনা ॥
শ্রীবৃন্দাবনগী কুঞ্জ কৃঞ্জদা ॥
খোঙ্গৌবা কোকিলশিংনা ॥ কয়া ফজরে ॥

(মেনকুপ)

(জাতি ভম্পক)

লৈতগী লৈরীক্লা লৈমায়দ উফুন ওইরি
শ্রীচরণ অনিতবু হান্না ফংগে তান্নরি ॥
কয়া ফজরে ॥

(ছন্দ ওল্লগা)

ঋতু তরাক্লা খৌগনবা
চিন্তামনি ধামনি ॥ ককঙাওনবা

খুরুম্বা ভঙ্গী পরেং

খুরুম্বা ভঙ্গী পরেংগী ইশৈদি শ্রীগোবিন্দ-বসন্ত রাস-ক্রমদা য়াওখ্রে চপ মান্নগনি, লামায় ৩৫-৩৭ তা য়েংউ।

খুরুম্বা ভঙ্গী অসি লোইরগা শ্রীরাধাকৃষ্ণনা ময়াইদা ভঙ্গী শাহুনা লেপকনি। অতৈ গোপী পুন্নমক্না জগোইনা মোত তৌহুনা ঈশৈ শক্কনি মহুদি—

রূপক মতেক—৬ মাত্রা

(দেখ নৃত্যতি ব্রজরাজ রাণী কুঙর কহ্হেয়া)

গোপী—* য়েংউ ঙাম্বোইরি শ্রীরাধা গোবিন্দ
থানিন অনি থোকপগুমলি ॥
পুমঙান ঙাল্লে কুঞ্জবন
নীংথিজরে বৃন্দাবন ॥
থম্বোইমুংসু ইঙান ঙাল্লে
মপোক মহৈ য়াঞ্জরে, পেঞ্জরে ॥
মায়া ঈপাক্তা অমুক
চঙলুবা ঙমলরোই
হল্লরোই হল্লরোই ঐদি
য়ুমদ হল্লরোই ॥
অনীমক্কী চরণবু
থাদোকপা ঙম্নরোই ॥

মথংদা মখাগী ঈশৈ অসি রাজমেল য়ৈহুনা চালি অকৈবী শাগনি। ময়াইদা রাধাকৃষ্ণদি অতুম্মক হান্নগুম লৈখিগনি। মতাং অসিদা

* ময়াইদা কৃষ্ণতমক লৈবসু ওজাশিংনা চংনরম্মী, মরমদি, রাধাসু গোপী ওইনা লৌহুনা।

রাধা কৃষ্ণদা ফি অমমম কৎকনি, আলিঙ্গন ফি অমসু কৎকনি, গোপী পুন্নমকসু মচি মচিদা লৈ পুনবা ফি অমমম য়েন্দুনা ওয়গী লেংবান্দা য়ানবীগনি, লৈ ময়োম অতুনা মাঙ থংহনগনি। সূত্রনা ঈশৈ শকলিঁৈদা গোপীনা ওয়গী থূবাক্তা লৈয়োম অহু হাপ্লগা য়েৎকী খূৎনা জগোই শাগনি।

পুষ্পাঞ্জলি

চালি অফৈবী

সূত্র— মসিগী ঈশৈদি বসন্ত রাস ক্রম লামায় ৩৮ দা য়াওগ্রে।

অসুন্না পুষ্পাঞ্জলি লোইরগা সূত্রনা মখাগী ঈশৈ অসি শক্লিঁৈদা গোপীনা খোঙথাং কেনা চত্তুনা লৈগনি অহুগা মখোয়না শকপা মতমদনা ঈশৈগী মোত তৌগনি মতুদি—

তিস্রজাতি ২ তাল ১২ মাত্রা

সূত্র— জয় বংশীধারী
জয় রাসেশ্বরী ॥
কৎচরিনে লৈরাং
খূজোক থন্না থন্না ॥
থব্লায় হকচাং 'পূম্বা
কৎচৈ শ্রীচরণদা ॥

য়েংগদবা— চৎলম্বা তোক্তুনা রাধাকৃষ্ণদা খোংফম অহুম চঙশিল্লগা খূকউ লৈতানা খুনিঙ কাঙতুনা ফমগনি। য়েৎকী খূৎনা মঙারক থোক্লা লৈ হুজিন্দুনা কৎকনি। লোইরগা মখাগী ঈশৈদা 'জয় বংশিধারী' হায়বসি শকপা মতমদা থুরুমগনি, মোইবুং খোংগনি মতুদি—

ঈশৈ

সূত্র— ভক্ত ওইবী গোপীশিংনা
লৈরাং খূজোক থন্না থন্না
কৎচরিনে অনিগী চরণদা ॥
জয় বংশী-ধারী ॥

অমুক্না পুষ্পাঞ্জলী লোইরগা সূত্রনা হল্লগা গোপীনা থুমতনা মখাগী ঈশৈ অসিদা চালি শাগনি—

প্রার্থনা

সূত্র—শ্রীরাধাগোবিন্দ হে চানবীয়ুকো ননাইবু ॥ ধ্রু
লৈজদে কনা ঐগীনি হায়বা ॥
ফংজগেকো ননাইওইবা হে ভক্তবু চানবীহৈবা ॥
পাপনা থল্লবানি গতি অমা লৈতে ঐগী ॥
চণ্ডজে অনিগী শ্রীচরণদা মপোক থুদীং
যুগল সেবা পামজে ॥

মথংদা ললিতানা আরতি বংকনি, সূত্রসু গোপীসু পুন্না ঈশৈ শকনি।

আরতি

([illegible] কিশোর)

চণ্ডজে অনিগী চরণদা,
আরতি কৎলি মাথিবী ললিতা সখিনা ॥
চণ্ডজে শ্রীরাধা গোবিন্দগী চরণদা ॥ চণ্ডজে
যন্ত্র শুনা হৈনরি অতৈ গোপীশিংনা
ঈশৈ শক [illegible] খননা ॥
মণিগী শেম্পা বৎত্রা বত্তি মৈঙানতনা
কুঞ্জপূম্বা পান্নরে [illegible] ॥
মায়থোং থম্বাল [illegible]দা
[illegible]
মিৎয়েং খোঙ্গমু [illegible]
পেন্না লৈহা চূপ্পি ॥ চণ্ডজে
কনানা পুং [illegible]
কনানা বীণা খোংলি
কনানা চামর থোং[illegible] ॥ চণ্ডজে

অসিগুম্বা আয়তিবু য়েংজবদা
প্রেমগী ঈফুং ফাওসনু
ভক্তশিংগী থম্মোইসুং ॥

মথংদা কৃষ্ণউক্তি অমা পীগনি মতুদি—

কৃষ্ণ— হে ব্রজগী শকহেনবী পুন্নমক
অহিং মতম হৌথরে হৌজীক
মতম থজীক লৈরিঙৈ
হন্নখরো য়ুমদা থুনা ॥

গোপীনা মথাগী অসি শক্তুনা মোত তৌগনি মতুদি—

(না বল [illegible] বল বন্ধু)
তিনতাল মেল—৮ মাত্রা

গোপী— হায়বিগনু হায়বিগনু
[illegible] য়ুমদা হল্লরোই।
য়ুমদা [illegible] হায়বিগনু
মাহ[illegible] লাদা চঙলরোই।
মপে[illegible]ক [illegible]পোক খুদাং এবু
[illegible] [illegible]
থব্রায় হক[illegible] [illegible]
চরণ [illegible] লৈজগে।
চ[illegible] [illegible] য়ু[illegible]দি
[illegible] থাদোক[illegible]
[illegible] য়ু[illegible] হ[illegible] ॥

মথংদা সূত্রেনা মথাগী অসি [illegible] রাস লোইশিনগনি মতুদি—

সূত্র— অসু[illegible] নিত[illegible]রাস [illegible] লোইরহনা
গোপী পুসা চঙখরে মাগী মাগী কুঞ্জদা ॥

মথংদা লোইবুং খোংগনি। [illegible] রাসমণ্ডল অমদি ভাবোক খুরুমগনি। মতুংদা য়ুসুনা ভাবক [illegible] [illegible] দক্ষিণা কংকনি।

শ্রীগোবিন্দনা মনাই ভক্তশিংবু [illegible] ॥ ওঁ ॥